www.sanaleibak.in

ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ
SANALEIBAK
PROGRESSIVE JOURNALISM
সনালৈবাক

24 Carat/g : ₹ 14,348
22 Carat/g : ₹ 13,519
1 Kg Silver : ₹ 2,11,000
10 Gram Silver : ₹ 2,300
WEATHER: Sunny
Temperature 29/17°C
Sunrise: 05:12 AM
Sunset : 04:48 PM
Petrol : ₹ 106.87
Diesel : ₹ 92.57
GAS TODAY Page 3
sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 307 | IMPHAL, SUNDAY, OCTOBER 18, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪-২৫ | নোংমাইজিং, মেরাগী ৭নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

নহাক্কী খোঙচৎ হৌরকপদা কনানসু শীংনবিরোই, মায় পাক্লবা মতমদদি শীংথানবিনবা ৱাংলোই

## কাঙলুপ ফুরুপকী ৱাখলনা মাঙ থাদুনা চৎলবদি অপূনবা মণিপুর শাগৎপা ঙম্লোইঃ চীফ মিনিষ্টর

### চীং-তম অনীমক্কী মীয়াম পূনশিন্দুনা ইং তপ্পা পুরক্লবা হোৎনসিঃ গোবিন্দাস

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৭ (এস এন এস)ঃ কাঙলুপ ফুরুপকী ৱাখলনা মাঙ থাদুনা চৎলবদি অপূনবা মণিপুর শাগৎপা ঙম্লোই। ঐখোয় পূন্নমক মণিপুরিনি হায়বসি খক কাওরোইদবনি হায়না পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা ঙসি পাঙথোকখিবা জন সেৱক মহাকুম্ভগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টর য়ুন্নাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।



চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ১৭তগী হৌদুনা থাবুম অমা চুপ্পা চত্থরকপা সেৱা সংকল্প অভিয়ানগী লোইশিনবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল থল্লদুনা সি এম খেমচান্দনা হায়, লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চহী ২৫ মীয়ামগীদমক কত্থোকপগা লোয়ননা লৌরকখিবা থৌদাং শীংথানিংঙাইনি। থাবুম অমা চুপ্পা সেৱা সংকল্প অভিয়ানগী থৌরম অসি মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট শীনবা থুংনা পাঙথোক্লক্লি। থাবুম অসিগী মনুংদা মীওই লাখ ৪ রোম্না শরুক য়াদুনা ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা কেম্পেইন ৬,১২২ রোম পাঙথোকখি।

মহাক্না হায়, কাঙলুপ ফুরুপকী ওইবা ৱাখল্লোলনা মাঙ থারগা চৎলবদি অপূনবা মণিপুর অমগী শক্তম শাগৎপা ঙম্লোই। অপূনবগী শক্তম শাগৎসি হায়রবদি খুন্দামিন্নরিবা ঐখোয় পূন্নমক মণিপুরিনি হায়বসি খক কাওরোইদবনি। লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ ৩৬ রোম অসিনা অমত্তা ওইবা থৌদাং লৌদুনা মণিপুরগী ঙমখৈ ঙাক শেল্লকখিবনি। মণিপুরি লোল অসি ষ্টেট অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ...মখা লমায় ৫দা...

## চছাদতা নোংমৈ কাপ্লবদা কুকি ১ শিরে মরিনা চাউনা অশোক-অপন নংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৭ (এস এন এস)ঃ উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈবা চছাদতা ঙসি নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ২.৩০ রোম তারকপা অদুৱাইদা খুৎলায় পায়বা কুকি অমদি নাগা অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্লবগী থৌদোক্তা কুকি ১ শিরে, ৪ না অশোক-অপন নংখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না নোংমৈ কাপ্লবা অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং সৈহাউহৌ হাউকিপ (৩৬) অপোকপা থাংখোনচোন হাউকিপ কৌই। অশোকপা ৪ অদুগী মমিংনা চছাদকী ভিল্লেজ চীফ থাংজাহাউ হাউকিপ (৪৮), হেগিন হাউকিপ (৪০), খাইলুন হাউকিপ (৫৭) অমদি সৈপাউ হাউকিপ (৫৫) নি। অশোকপা মীওইশিং অদু কামজোং দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা অসাম রাইফলসকী হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ দগী হৌদুনা নোংমৈ কাপ্লখিবা অদু নুমীদাংগী মতম ফাওবা নাকল অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্লখি। নোংমৈ কাপ্লরিঙৈ চৈরক অদুদা য়ুম খরসু মৈ চাকপা উখি। অদুবু হৌজিকমক্কী ওইনা য়ুমশিং অদু কনানা মৈ থারম্বনো অমদি য়ুম কয়া মৈনা চাকখ্রবনো হায়বা খঙবা ঙমদনা লৈরি। ঙসিগী নোংমৈ কাপ্লবগী থৌদোক অদুগী মতাংদা ফংবা পাউগী মতুংইন্না চছাদ খুলগী খুঙ্গা কয়া য়োম্পাক অমদি থাংজৌ পায়দুনা হৌখিবা ওক্টোবর ৯ অমদি ২০ দা থোকখিবা থৌদোক্তা মৈনা চাকখ্রবা য়ুমশিং অদুগী মনাক্তা চঙশিল্লক্তুনা ...মখা লমায় ৫দা...

### চছাদতা খুদক্তা সেক্যুরিটি দিপ্লোয় তৌবিনবা কোটুনা দিমান্দ তৌরকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৭ (এস এন এস)ঃ চছাদতা ঙসি নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ২.৩০ রোম তারকপা অদুৱাইদা নোংমৈ কাপ্লবগী থৌদোক্তা মীওই ১ শিখ্রবা অমদি ৪ না অশোক-অপন নংখ্রবা মতুংদা কম্মিটি ওন ট্রাইভেল য়ুনিটি (কোটু)না খুদক্তা চছাদতা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং দিপ্লোয় তৌবিয়ু হায়না দিমান্দ তৌরকখ্রে।

কোটুনা থাদোরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈরিবা চছাদ খুলগী অকোয়বদা কচা তাঙ্খুলশিংনা নন্না খুন্দাবা মরন্না মফম অদুদা মশিং য়ামদনা লৈরিবা কুকি জো কম্যুনিটিগী মীওইশিং য়ান্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরে। খুৎলায় পায়বা কচা তাঙ্খুলশিংনা লেপ্পা লৈতনা চত্থরকখিবা এটেক্টশিংদা কুকিগী ...মখা লমায় ৫দা...

## সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা য়াম্লবা দ্রগ ফংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৭ (এস এন এস)ঃ মাও পি এস অমদি ১৬শুবা এ আরগী অপূনবা টিমনা নেসনেল হায়ৱে ২গী মরক্তা লৈবা মাও বজার এরিয়াদা চত্থবা চেক্কিং অমদা মীওই অনীদগী য়াম্লবা দ্রগশিং ফাবা ঙমখ্রে।

ফারবা মীওইশিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী হিয়াংথাং পল্লকতগী উসম রোসন (২৫) ...মখা লমায় ৫দা...

## ডা. এল ফাওমৈনা কনভেনরগী থৌ পুরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৭ (এস এন এস)ঃ লমদম অসিগী য়েলহৌ ফুরুপ ওইরিবা মীতৈ অমসুং নাগা লুচিংবশিংনা পুনশিন্দুনা শেমখিবা নেটিভ পিপলস কম্মিটি মণিপুর (এন পি সি এম)গী কনভেনর ওইরম্বা অসাং কশার লূপ অসিদগী পোত্থাখ্রবা মতুংদা ডা. এল ফাওমৈনা অনৌবা কনভেনর ওইনা কুমজা ...মখা লমায় ৫দা...

## এম পি বিমোলবু নমফুদা ফাজিন পুনশিন্নবা হোৎনরক্লবদি চপ চানা থেংনগনিঃ সোতিনকুমার

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৭ (এস এন এস)ঃ লোক সভাগী মেম্বর বিমোল অকোইজমবু সেক্সুয়েল হরাসমেন্টগী মরাল পীশিন্দুনা নম্ফুদা ফাজিন পুনশিন্নবা হোৎনরক্লবদি কোওর্দিনেটিং বোদি ওফ ট্রেদ য়ুনিয়ন মণিপুরনা চপ চানা থেংনগনি হায়না য়ুনিয়ন অসিগী চেয়রমেন লাইশ্রম সোতিনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইরাবত ভাবনদা লৈবা সি পি আই ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা লাইশ্রম সোতিনকুমারনা হায়, লমদম অসিগী অসুক লুরবা ফিভম অসিদা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা খোল্লাও কয়া লাউরিবা লোক সভাগী মেম্বর বিমোল অকোইজমবু সেক্সুয়েল হরাসমেন্টতা চেন্নে হায়দুনা মরাল শীরিবা অসি অকনবা মওংদা কন্দম তৌই। এম পি অসিদা শীরক্লিবা মরাল অসিগী মতাংদা অখণ্ড অহৈ কয়াগা লোয়ননা মীফম পাঙথোক্তুনা খন্নগনি। পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবা ...মখা লমায় ৫দা...

## নেমচা কিপগেননা মহাক্কী মপুরোইবদা নাগা মীচম মীয়াম হাৎপগী থবক লেপ্পবা হায়গদবনিঃ লোসি দিখো

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৭ (এস এন এস)ঃ নেমচা কিপগেননা মহাক্কী মপুরোইবদা নাগা মীচম মীয়াম হাৎপগী থবক চত্থবা লেপ্পবা হায়গদবনি। ঙমখৈ লান্দুনা চঙশিল্লক্লুগা কামজোং দিষ্ট্রিক্টতা তমথিরবা থৌওং কয়া চত্থরক্লিবা অসিগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা লৈঙাক্লা অকনবা থবক পায়খৎলি হায়না দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর লোসি দিখোনা ফোঙদোকখ্রে।



মণিপুর লৈঙাক্কী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা চীংমৈরোংদা লৈবা ক্লাসিক গ্রান্দেদা ঙসি ক্লাইমেট রেজিলেন্ট স্প্রিংসেটঃ রিছার্স প্রেক্টিস এন্দ পোলিসিগী ২শুবা কনক্লেব হৌদোকপগী থৌরমগা মরী লৈননা দিপ্যুতি সি এম লোসি দিখোনা হায়, চীং ...মখা লমায় ৫দা...

## 'কাঙলুপকী খেন্নবা থাদোক্লগা ঐখোয় পূন্নমক মণিপুরিনি হায়বসি কাওরোইদবনি'

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৭ (এস এন এস)ঃ কাঙলুপ ফুরুপকী খেন্নবা ৱাখল্লোল থাদোক্লগা ঐখোয় পূন্নমক মণিপুরিনি হায়বসি খক কাওথোক্লোইদবনি। মসিনা অপূনবগী থৌনা শাগৎপদসু হেন্না মথৌ হাপকনি হায়না চীফ মিনিষ্টর য়ুন্নাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

শীংজমৈ চীংঙামথক্তা লৈবা হাও গ্রাউন্দদা ঙসি পাঙথোকখিবা সেৱা সংকল্প অভিয়ানগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল থল্লদুনা সি এম খেমচান্দনা হায়, লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা তোঙান-তোঙানবা কাঙলুপ ফুরুপকী লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিং অদুনা লৌরম্বা থৌদাংনা মণিপুরদগী বর্মিস লান্মীশিং তান্থোকপা ঙমখিবনি। ইপা-ইপুশিং অদুনা লমদম অসিগী ঙমখৈ ঙাক্লমখিবনি। মণিপুরনা ইনি দয়াদা তিনদ্রিঙৈ মমাঙদা শেমখিবা মণিপুরগী অহানবা এসেমব্লিগী স্পিকর অদুসু কুকি জো ফুরুপকী মীওইনা ...মখা লমায় ৫দা...

## মণিপুর পুলিসকী ত্রাফিক এদভাইজরি থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৭ (এস এন এস)ঃ হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকক্দৌরিবা মণিপুর পুলিস হাফ মরাথোনগা মরী লৈননা মীয়ামগী চত্থোক-চৎশিন্দা অথিংবা অমসুং থৈদোক থৈজিন তৌনবা ত্রাফিক এদভাইজরি থোকখ্রে।

ত্রাফিক কন্ট্রোল পুলিস ৱিংগী এস পিনা থোকপা ত্রাফিক এদভাইজরি ...মখা লমায় ৫দা...

## লৈবাক কন্নবগী থৌদাংদা মীয়ামগী থাজবা মাঙহল্লোইঃ মহেশ্বর থৌনাওজম



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৭ (এস এন এস)ঃ মীয়ামগী অপান্বা অমসুং লৈবাক কন্নবগী থৌদাংদা মীয়ামগী থাজবা মাঙহল্লোই, শিরবসু লৈবাক্কীদমক শিগনি হায়না মহেশ্বর থৌনাওজমনা ফোঙদোকখ্রে। ...মখা লমায় ৫দা...

## কৈশামথোং এ সিদা ডা. রোজেস মীরেপ ওইরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৭ (এস এন এস)ঃ ডা. সেরাম রোজেস হন্দক পাঙথোকক্দৌরিবা এসেমব্লিগী মীখল অসিদা কৈশামথোং এ সিদা এম পি পিগী মীরেপ ওইদুনা মীখল থেংনরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

দিল্লিদা কোক্রোচ জনতা পার্টি (সি জে পি)গী প্রোটেষ্টতা শরুক য়ারুবদা দিল্লি পুলিসনা ফারুরগা থাদোরক্লবা মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি)গী স্পোক্স পার্সন ডা. সেরাম রোজেস ঙসি ইম্ফাল এয়রপোর্টতা এম পি পিগী ...মখা লমায় ৫দা...

## অনৌবা ওর্দর থোকপিদুনা সার্ভিস হৌহনবিরো

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৭ (এস এন এস)ঃ টেক্সটাইল, কমর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী জোইন্ট সেক্রেটরি অসেম রঙ্গিলানা চৎলিবা থা অসিগী ৫ দা মণিপুর খাদি এন্দ ভিল্লেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্দকী ভাইস চেয়রমেন, মেম্বর সেক্রেটরি অমদি মেম্বরগী এপোইন্টমেন্ট ওর্দর থোকখিবা অদু শেমদোক্তুনা অনৌবা ওর্দর অমা ওইনা থোকপিদুনা বোর্দ অসিগী ...মখা লমায় ৫দা...

> 'নঙনা পোলিটিক্স য়াও য়াদবগী চৈরাক্তি নঙোন্দগী হন্থবা মীশিংনা নঙগী নথক্তা পানবনি।'
> – *ময়োল*

## লৈবাক্কী অরুবা ৱাফম কান্থোক্লগা মীখলগী থবক চত্থরকপশিং থীংমিন্নসিঃ হাওমি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৭ (এস এন এস)ঃ লৈবাক্কী অরুবা ৱাফম কান্থোক্লগা মীখলগী থবক থৌরম চত্থরক্লিবা অসি থীংমিন্নসি। মণিপুরদা থোক্লিবা ইশু নাথৈনবা হোৎনরক্লিবা অসিদগী মীয়ান্না চেকশিনহৌসি হায়না ফেদরেসন ওফ হাওমিনা অকনবা ৱাফম থল্লক্লি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কবো লৈকাইদা লৈবা ফেদরেসন ওফ হাওমিগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফেদরেসন অসিগী প্রসিদেন্ট সাপমচা য়দুমনিনা হায়, মীগী মকোক ফাওবা ককথৎপা ...মখা লমায় ৫দা...

## ইরাং থোক্লিবা চীংগী লম অসিসু মণিপুরনি হায়বা কাওগুমসিঃ রিফকো

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৭ (এস এন এস)ঃ ইরাং থোক্লিবা চীংগী লম অসিসু মণিপুরনি হায়বা কাউগুমসি। মণিপুর মচেৎ নুংশিবগী ৱাখল্লোল থাদোকসি হায়না রিজনেল ইন্দিজিনিয়স ফোরম ফোর পিছফুল কো-এগজিষ্টেন্স (রিফকো) মণিপুরনা ফোঙদোরক্লি।

ফোরম অসিগী সেক্রেটরি জেনরেল এন সি খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি লোয়বা নৎত্রি। মসিদি মপান্থোংদা মশক হোংহনবগী ৱানি। শাথিবা লোয়বা খন্বা ...মখা লমায় ৫দা...

## আর কে বিদুরগী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৭ (এস এন এস)ঃ মণিপুর ফিল্মগী মশক নাইরবা ফিল্ম ক্রিটিক লৈখিদ্রবা আর কে বিদুরগী ৮৫শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

নোংমৈবুংদা লৈবা আর কে বিদুরগী শঙ্গাইদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবা ফিল্ম ক্রিটিক আর কে বিদুরগী মমিদা মীয়ান্না হৈ-লৈ কৎতুনা ...মখা লমায় ৫দা...

## হ্যুমেন ত্রাফিকিং খ্বায়দগী চাউবা ক্রাইমনি মুত্থৎনবা হোৎনমিন্নসিঃ জষ্টিস এম সুন্দর

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৭ (এস এন এস)ঃ হ্যুমেন ট্রাফিকিং অসি মালেম পূম্বগী ওইনা খ্বায়দগী চাউবা ক্রাইম অমনি। মীয়াম পূন্না হ্যুমেন ট্রাফিকিং অসি মুত্থৎনবা হোৎনমিন্নসি হায়না মণিপুর হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস এম সুন্দরনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর জুদিসিয়েল একাদেমি (এম জে এ)না শীন্দুনা হ্যুমেন ত্রাফিকিং হায়বা হীরমদা ঙসি নোংমগী ওইবা কনফরেন্স মণিপুর হায় কোর্টকী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা চীফ জষ্টিস এম সুন্দরনা হায়, হ্যুমেন ট্রাফিকিং হায়বা অসি মীওইবগী হিংবগী হক নমহৎলিবা ক্রাইম অমনি। লৈবাক অসিদা ...মখা লমায় ৫দা...

## য়েলহৌ ফুরুপশিং অমত্তা ওইনা লেপ্তুনা লমদম অসি ঙাকমিন্নবা মতম ওইরেঃ অমুকো

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৭ (এস এন এস)ঃ লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়ান্না ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্তা থাজনিঙাই লৈত্রে। মরম অদুনা ঐখোয়গী তুংগী মীরোলগীদমক য়েলহৌ ফুরুপশিং অমত্তা ওইনা লেপ্তুনা লমদম অসি ঙাকমিন্নবা মতম ওইরে হায়না ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (অমুকো) গী প্রসিদেন্ট শোরোকখাইবম সঞ্জয়না ফোঙদোকখ্রে।




ওল মণিপুর মৈতৈ পাঙ্গল ক্লব ওর্গনাইজেসন (অম্পাকো)না শীন্দুনা 'রিকোলিং অৱার আইদেন্টিটি' হায়বা হীরমদা থাবুম অমা চুপ্পা চত্থগদবা পব্লিক দিস্কোর্স প্রোগ্রাম ঙসি থাখায় চনবা নুমিত্তা লিলোং হাওরৈবী কোলেজগী ওদিটোরিয়ম হোলদা মীয়ামগী ...মখা লমায় ৫দা...

## লোইরেদনা

ইবো নংবু য়ু য়োনদাইনে সোসিয়েল ৱার্কর ওল্লবোইরে

ꯏꯕꯣ ꯅꯪꯕꯨ ꯌꯨ ꯌꯣꯟꯗꯥꯢꯅꯦ, ꯁꯣꯁꯤꯌꯦꯜ ꯋꯥꯔꯀꯔ ꯑꯣꯜꯂꯕꯣꯢꯔꯦ



খুড়া, ঐখোয় কেন্দ্রদা ঐগী য়ু শোত্তবা লৈত্রে। মদু ভোট ওন্থোক্লনি

## হেক্তা হায়জিনবা

### শিনখিদৌ হাৎনখিদৌ মাল্লি

খরদি হাৎনখিদৌ মাল্লি
খরদি শিনখিদৌ মাল্লি
হোম বাবুগী ৱাতাসিনদি
সেক্যুরিটি পীবা ঙম্লোই হায়রি
মীপূম খূদিংগী ঙম্লোই হায়রি
ৱারি শান্নদ্রি ফাওবদি
ৱাখল তানদ্রি ফাওবদি
খরদি হাৎনখিদৌ মাল্লি
খরদি শিন্নখিদৌ মাল্লি
পনবা ইতা তাদ্রি
খূৎলায় পায়বা ফাগৎপগী
খুজু খূৎলায় ফাগৎপগী
ফ্রী থারি কাঙবু খরদি
খূৎলায় পায়বা খরদি
হোম বাবুগী ৱাতাসিনদি
খরদি শিনখিদৌ মাল্লি
খরদি হাৎনখিদৌ মাল্লি





GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DEPUTY CONSERVATOR OF FORESTS,
TENGNOUPAL FOREST DIVISION
TENGNOUPAL: MANIPUR

**AUCTION NOTICE**
**Dated, the 14th October, 2026**

No. 19/01/2020-21/TPL: - It is hereby notified for information to all the Registered Forest Contractors/ HPC cleared Wood Based Units situated within the Industrial Estate and General Public and individuals that there will be an auction sale of **105 cum of Special class (Teak Sawn timber) in different lots** on 20th October, 2026 at 11.00 am. at the Office premises of the Deputy Conservator of Forests, Tengnoupal Forest Division which was confiscated vide Confiscation 07/2026-27 dated 14th October, 2026 in the Court of the Authorized Officer: Tengnoupal Forest Division, Tengnoupal. The terms and conditions of the auction sale along with the auction participation form can be had from the office of the undersigned during office hour.

Sd/-
**(Mahamuda Begum)**
Dy. Conservator of Forests,
Tengnoupal Forest Division
Government of Manipur

SL/Rabi-Cor/17

## SANALEIBAK QUIZ - No. 29

*Sanaleibak Quiz will publish in every Sunday. It is in the interest of the students and people of Manipur. The answers can be sent through* ***whatsapp No. 8830812368*** *within 24th October, 2026. Answers of the Quiz will be published on 25th October.*

Q. 1. Who was the first Disney princess?
Q. 2. Which silent-era film features the "Odessa Steps" sequence?
Q. 3. What is the world's tallest living tree species?
Q. 4. Which philosopher wrote The Republic?
Q. 5. What does "cloud storage" mean?

*Answers of the Sanaleibak Quiz No. 28 (11-10-2026)*

Ans. 1. Horse.
Ans. 2. Octopus.
Ans. 3. Au.
Ans. 4. Maggie.
Ans. 5. Constellation.

## ঙসিগী রাষি ফল (১৮-১০-২০২৬)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)
*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** চাওখৎপা পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা। শেল ফংবা মিংচৎ হেনগৎপা। লুচিংবশিংনা নুংশিবিবা নুমিৎনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংগনি।

**বৃষঃ** খুদোংচাবা মায়োক্লবা, শাগৈনা তিন্নবশিংনা চানবীবা, লমতু চৎপা মী তিন্নবদা কান্নবা ওইরগনি। ইংনা লৈরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱাখল মান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**মিথুনঃ** শাওদবা তপথবনা কান্নবা ফংলগনি। গাড়ী তপ্না থৌগনি। মীগী মতেং পাঙলুদবা ফগনি। থবক মচাদি পাঙথোক্লগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ফকচিনগনি।

**কর্কটঃ** ৱা ঙাঙবদা, মী লোয়নবদা হৈশিংদ্রবদি তোখাই তাবা অরানবা তাবা থেংনরগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌন্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৱাখল চঙলোই।

**সিংহঃ** হেন্না ফগৎপা, চাওখৎপা, মিংচৎ হেনগৎপা শকখঙবীবা হেনগৎপা, অরাপ্পা চৎপা কান্নবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংগনি।

**কন্যাঃ** পুক্লিং ৱাখল চরাংনগনি। শেল ফংবা–চৎপা তৌরগনি। মরুপ মফম চেকশিনগনি। লন্নানবশিংনা চানবীরগনি। ইমুংদসু চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংগনি।

**তুলাঃ** পুক্লিংদা ৱারৌবা লৈরগনি। অশাওবা লোয়নবা, পুক্লিংদা শান্তি লৈতবা ওইরগনি। তোখাই তাগনগনি। গাড়ী তপ্না থৌগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ফকচিনগনি।

**বৃশ্চিকঃ** ৱাখল মুন্না খল্লগা থবক থৌরম পাঙথোক্লবা হোৎনজগনি। কল্লকপা য়েংশিনবা হেনগৎলগনি। পোৎ লৈবদি য়াগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত খেন্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী– ৱাখল চঙলোই।

**ধনুঃ** হিরম খুদিংমক্তা কান্নবা শীংথাবীবদা য়াওবা, মতেং পীবিবা হেনগৎপা, চাংয়েংনবদা মায়পাকচবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংগনি।

**মকরঃ** হোৎনজমল কান্নবা ফংবা, লমতু চৎপা, মী তিন্নবদি কান্নবা ফংবা, ইথক থোংবশিংনা চানবীবা ওইরগনি। মিংচৎ হেনগৎলগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱাখল চরাংনগনি।
মহৈরোইশিংগী – পুক্লিং চঙলগনি।

**কুম্ভঃ** পুক্লিংদা ৱারৌবা লোয়নগনি। শেল চৎপা। অফবা শাদুনা শাগৈনা তিন্নবশিংনা য়েংশিনবা ওইরগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী– হোৎননিংলোই।

**মীনঃ** চাওখৎপা হেন্না ফগৎপা, শকখঙবীবা হেনগৎপা। মতেং পীবীবা য়াম্বা। লমতু চৎপা কান্নবা ওইরগনি। শান্তি লৈরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – নুংশিনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – বুদ্ধি চাওখৎলগনি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 9 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Evil Sana Suduku-1111**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 6 | 4 | 7 | 1 | | | | |
| 1 | 2 | | | | 8 | | 3 | |
| 3 | | | 2 | | | 1 | | 6 |
| | 1 | | 9 | 6 | | | | 3 |
| 6 | 4 | | | | 1 | 2 | | |
| 9 | | 3 | 4 | | | | 1 | |
| 2 | | 6 | | 4 | | | | 1 |
| | | 1 | | | 6 | 3 | 4 | |
| 4 | | | | 3 | | 9 | | |

সনা–সুদোকু–১১১১গী সোল্যুসন লমাই ৬তা

# মীওইবগী খ্বাইদগী নুংঙাইবসি কনাগুম্বগী সেবা তৌবনা ওইগদবনিঃ থোকচোম রাধেশ্যাম এম এল এ

থৌবাল, ওক্টোবর ১৭ (এসএনএস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা শীন্দুনা জন সেৱক মহাকুম্ভা থৌরম পাঙথোকখ্রে। দিপ্যুটি কম্মিস্নার থৌবালগী ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা কাউন্টিং হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হৈরোক এ সিগী এম এল এ থোকচোম রাধেশ্যাম, ৱাংজিং তেন্থা এ সিগী এম এল এ পাওনম ব্রোজেন, দিপ্যুটি কম্মিস্নার থৌবাল য়ুম্নাম রোবিতা অমদি থৌবাল জিল্লা পরিষদকী অধক্ষ্য খোইরোম সনাখোম্বা মৈতৈনা অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।



থৌরমগা মরী লৈননা থোকচোম রাধেশ্যাম এম এল এনা হায়, ঐখোয় মীওইবগী খ্বাইদগী নুংঙাইবসি ঐ ইশা ওইগদবনি অমদি ঐগী খ্বাইদগী নুংঙাইবসিনা কনাগুম্বগী সেবা তৌবা অসিনি। ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি ঐখোয় খূদিংমক লুচিংবা অমা ওইরগদি মীয়ামগী সেবা তৌগদবনি হায়বনি। সার্ভিস হায়বসি লৈত- লাইর খূদিংমক্কী সেবা তৌবদুনি অমদি মতেং খরদা ওইরবসু নুংতিগী পাংগদবনি। ঙসি কনাগী সেবা তৌগনি, কনাগী মতেং তৌখ্রে, কনাগী মপি তৈথোকপিখ্রে, মিং চনবা ঙমদবা কনাগী মতেং পাংখ্রে হায়বসি ইশাদা হংজগদবনি। অদুগা ইশাদা নীংশিংবগী নুংঙাইবদু লৈগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ৱাংজিং তেন্থা এ সিগী এম এল এ পাওনম ব্রোজেন্না হায়, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীয়ামগী সেবা তৌরকপা চহী ২৫ ফারকপদা নত্তনা ইন্দিয়াবু মালেমগী মফম কয়াদা অৱাংবা থাক্তা পুখৎলিবা লুচিংবা অমগী থৌরমনি। অসিগুম্বা থৌরম অসি লৈবাক্কী মফম খূদিংমক্তসু পাঙথোক্লরি।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবশিংবু দিপ্যুটি কম্মিস্নার য়ুম্নাম রোবিতানা তরাম্না ওকপগী ৱারোল পীরদুনা হায়, থা অমা চূপ্পা পাঙথোরকপা সেবা সনকল্প অভিয়ান থৌরমগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শীন্দুনা স্কুল কয়াদা অথোই অহেন চাংদম্নবা, হেলঠকা মরী লৈনবা কয়াদা মতেং পাংবা অমদি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়িশিংগী থবক থৌরমদা লেপ্তুনা য়েংশিন্দুনা হেন্না চাউখৎপা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইনবা হোৎনরকখিবনি।

থৌরমগী মনুং চন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিদা পাঙথোকখিবা মহৈরোই-শিংগী কম্পিটিসনদা মকোক মথং তাখ্রবশিং অমদি তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টতা থবক নীংথিজনা তৌবা ইমপ্লোয়ি কয়া খনগৎতুনা মনা মথুম পীদুনা ইকায় খুম্নবসু উৎখি।

পনবা য়াই, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীয়ামগী সেবা তৌরকপা চহী ২৫ মপূং ফারকপগী থা অমা চূপ্পা চত্থরকখিবা সেব সনকল্প অভিয়ানগী থৌরম ঙসি লোইশিনখ্রে।

> *বামোন অমুমচাগী পূক্নিং লৌশিং*
>
> ## এরোপ্লেন করম্না পাইবগে
>
> এয়ারপোর্ট অমদা গ্রাউন্দ ষ্টাফ ওইনা থবক তৌবা ষ্টাফ অমা লৈরম্মী। মহাক ময়ামদগী খরা হেন্না মমিৎ-মনা শীংই হায়দুনা এরোপ্লেন মনুং শেংদোক শেংজিন য়েংশিনবগী থবক শিন্নরম্মী। নোংমা মহাক্না এয়ারপোর্টতা থাদুনা লৈরিবা এরোপ্লেন অমা মথং মথং শেংদোক শেংজিন তৌদুনা অসুম লাকপনা পাইলোৎকী ফম্ফম কোকপিটতা চংলক্লম্মী। মহাক্না মফম অদু কোইশেং শেংদোকপা মতমদা পাইলোৎকী ফমফম অদুগী মনাক্তা ''করম্না এরোপ্লেন পাইগদগে'' হায়বা লাইরিক মচা অমা লৈরম্বা থেংনরম্মী।
>
> মহাক্না লাইরিক অদু ফাক্তোক্তুনা য়েংবদা এরোপ্লেন অমা করম্না পাইগদগে হায়বদু য়াম্না অরাইবা মওংদা তাকপা থেংনরম্মী। লাইরিক অদু ফাক্তুনা পারুবদগী মঙোন্দা এরোপ্লেন থৌদুনা চাংয়েং য়েংনিংবগী ৱাখল অমা ফাওরক্লম্মী। মহাক্না লাইরিক অদু হাংদোকপদা অহানবা লমায় অদুদা ইরম্মী, ''ইঞ্জিন ষ্টার্ট তৌনবগীদমক্তা অঙাঙবা বতন নম্মু।'' মহাক্না খুদক্তা বতন অদু হেক নমলুবদা এরোপ্লেনগী ইঞ্জিন অদু ঙংবা হৌরক্লম্মী। থৌওং অদুদা মঙোন্দা য়াম্না নুংঙাইজবা ফাওরক্লম্মী। মহাক্না লাইরিক অদুগী অনীশুবা লমাই হাংদোক্লুবদা ইরম্মী, ''প্লেন চেনবা হৌহন্নবগীদমক্তা নাপু মচুগী বতন নম্মু।'' মহাক্না খুদক্তা নাপু মচুগী বতন অদু হেক নমলুবদা প্লেন অদু খোঙজেল থুনা চেনবা হৌরক্লম্মী। নুপা অদু নুংঙাইবগী ঙমখৈ লৈরমদে। নোংথক্তা পাইখৎলগে খন্দুনা মথংগী লমায় হাংদোক্লুবদা অসুম্না ইরম্বা থেংনরম্মী, ''নোংথক্তা পাইখৎনবগীদমক্ত অশংবা বতন নম্মো।'' খুদক্তা নুপা অদুনা অশংবা মচু অদু হেক নম্বগা এরোপ্লেন অদু মথকলোমদা পাইখৎলম্মী। নুপা অদু হরাওমনখিদুনা ফমফমদগী চোংখৎলম্মী। অসুম্না অতিয়াদা পুংখায় অমুক কোইপাই পাইরবা মতুংদা হান্নগুম এরোড্রোমদা পাইথরগে খন্দুনা মহাক্না পায়রিবা লাইরিক মচা অদুগী মথংগী লমাই হাংদোক্লুবদা অসুম্না ইরম্বা থেংনরম্মী, ''এরোপ্লেন লৈমায়দা পাইথনবগীদমক্তা লাইরিক অসিগী ভোল্যুম টু পাইলোৎ ট্রেনিং স্কুলগী লাইব্রেরীদগী লৌরগা পাউ।'' নুপা অদুম জ্ঞান অদুম মাঙখ্রে। এরোপ্লেন অদু মথোঙ মরম খঙদনা কোইরে লৈরম্লগা চীংমায় অমদা য়ৈশিন্দুনা মৈ হৌরগা চাকখ্রে।
>
> ঐখোয়না করিগুম্বা থবক অমা পাঙথোক্কে খল্লবদি থবক অদুগী মরমদা হান্ননা মমুৎ তানা খঙদোক্কদবনি। ইখঙ খঙদনা য়াম্না অখঙ অহে শাবশিং অয়াম্বা মতমদা খুদোংথিবা নংগল্লি।

# ফুরুপ খূদিংমক পূন্না ইং তপ্পা পুরক্নবা হোৎনমিন্নসিঃ অসাব উদ্দিন এম এল এ

জিরিবাম, ওক্টোবর ১৭ (এসএনএস)ঃ প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীয়ামগী সেবা তৌরকপা চহী ২৫ মপূং ফারকপগী থা অমা চূপ্পা চত্থরকখিবা সেবা সনকল্প অভিয়ান ২০২৬ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ঙসি জন সেৱক মহাকুম্ভা হায়না থৌরম পাঙথোক্তুনা লোইশিনখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না লোকেল এম এল এ অসাব উদ্দিনগা লোয়নননা মল্টি য়ুটিলিটি কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা থৌরমদা শরুক য়ারদুনা এম এল এ অসাব উদ্দিন্না হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা ইৱাং অসিনা মরম ওইরগা মীয়াম্না মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং অসি কোকহন্নবা ফুরুপ খূদিংমক্না পূন্না ইং তপ্পা পুরক্নবা হোৎনমিন্নসি হায়না আপিল তৌখি।

খেন্নবা লৈবশিং পূন্না ভাব তমিন্নদুনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টপু খুদোংথিবা কয়া অসিদগী নাম্থোকপা ঙম্নবা পূন্না হোৎনমিন্নবগী থৌদাং লৌমিন্নসি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা দিপ্যুটি কম্মিস্নার আরবিন হংলেমনা থৌরম মপু অদুগা এস পি প্রভাকর পান্দেনা ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। কষ্টুরবা গান্ধী হায়স্কুলগী মহৈরোইশিংনা জগোই ঈশৈগী থৌরম কয়া উত্তুনা লৈবাক অসিগী খেন্নবা কয়াগী অপূনবা অদু ট্রেদিস্নেল পার্ফোমেন্সকী খূথাংদা মীয়ামদা খঙহনখি। অদুগা জিরিবাম কোলেজগী মহৈরোইশিংনা দ্রগ লান্না শীজিন্নবগী অমাঙবগা মরী লৈনবা লীলা মচা অমসু উৎখি।

থা অমা চূপ্পা চত্থরকখিবা সেবা সনকল্প অভিয়ানগী মনুং চন্না পাঙথোকখিবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল এসে, পেন্টিং, এগজিবিসন কম্পিটিসনদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুমসু য়েন্থোকখি হায়রি।

# ওঝাশিংগী থৌদাং য়াম্না চাওইঃ ডা সুরজ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৭ (এসএনএস)ঃ রুদা একাদেমি বি এ, বি এদ কোলেজ থৌবালগী অহানবা ফ্রেসরস মিট ঙসি একাদেমি অসিগী কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুং ওইখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কাঞ্চিপুরগী এন্থ্রোপোলোজি দিপার্টমেন্টকী এসোসিয়েট প্রোফেসার ডা. হুইদ্রোম সুরজনা হায়, টিচিং প্রোফেসনদা লৈরিবা ওঝাশিংনা মতমগা চুননা অপদুদেট ওইগদবনি। অতৈ প্রোফেসনশিংগা ওঝাশিংগা খেন্নবা লৈ। ওঝা শিংগীদি থৌদাংদি য়াম্না চাওই। খুন্নাই অসিবু মমায় চুমগদৌরিবা অসি ওঝাগী প্রোফেসনদা লৈরিবশিং অসিননি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ঙসিগী মহৈরোই কয়া এদমিসন তৌরম্লবা মতুং স্কুল অমদি কোলেজ কাবগী চাং য়াম্না হন্থনা উরি। মসি চুমথোকপা অমদি শেমদোক্তুনা মহৈরোইশিংবু ক্লাসতা শরুক য়াহন্নবা হোৎনবদসু ওঝাশিংগী চাওরবা থৌদাং লৈ।

থৌরম অদুদা রুদ্রা একাদেমি কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. ওইনাম ইবেতোম্বী দেবী অমদি ডা. অম্বেদকর সেন্টর ওফ এক্সিলেন্স এন ইগী ফেকলটি আর্বিন সলামনা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

# আর ৱাই ই ও হৈরোক্না ওকখ্রে

থৌবাল, ওক্টোবর ১৭ (এস এন এস)ঃ চৎলিবা চহী অসিগী জনুৱারিদগীনা ওগষ্ট ফাওবা য়ু এন পিছ কিপ্পিং টাস্ক ফোর্সতা শরুক য়াদুনা সাউথ সুদানদা থা ৮ লৈরুরবী থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক পার্ট টু থোকচোম লৈকাইদগী ২১ অসাম রাইফলসকী দিপসিকা লাইশ্রমবু রুরেল য়ুথ ইম্পৱারমেন্ট ওর্গনাইজেসন (আর ৱাই ই ও) হৈরোক্না তরাম্না ওকখ্রে।

মশাগী চহী ২৯ শুরবী দিপসিকা লাইশ্রম অপোকপা লৈখিদ্রে। মহাক আর ৱাই ই ওগী মেম্বর অমসু ওইরি। ইনর্জিটিভ ওইবা নহা অমনি। মহাকপু আর ৱাই ই ওগী এদভাইজর দব্লিউ জিবন অমদি এম অসিনিকুমারনা মোমেন্টো খূৎশিন্নদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। দিপসিকানা সাউথ সুদানদা য়ু এন পিছ কিপ্পিং টাস্ক ফোর্সতা ইন্দিয়ান মিলিটরি অমা ওইনা শরুক য়াবা ঙম্বা অসি হৈরোক খক্কী নত্তনা মণিপুরগী ওইনসু চাউথোকচনিঙাইনি হায়রি।

# চিলদ্রেন সাইন্স কোংগ্রেস এগজিবিসন লোইশিনখ্রে

থৌবাল, ওক্টোবর ১৭ (এসএনএস)ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ৩২ শুবা নেস্নেল চিলদ্রেন সাইন্স কোংগ্রেস ২০২৬কী এগজিবিসন ঙসি খাঙবোক গার্দেন হোলদা লোইশিনখ্রে।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি মিনিষ্ট্রিগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর অপলিফমেন্ট সেন্টর উচিৱা ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা এগজিবিসন অদুদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চন্না লৈবা হৈথোই শিংথোইরবা মহৈরোইশিংনা মখোয়গী ওরিজিনেল প্রোজেক্টশিং পুথোক্তুনা সাইন্টিফিক ইনক্কারি অমদি রিছার্সশিংদা থল্লিবা ৱাখল্লোন মপূং ফানা উখোক্লবগী খুদোংচাবা পীখি।

মণিপুর অপলিফমেন্ট সেন্টরগী ভাইস প্রসিদেন্ট অঙোমচা চিংখৈনা শরুক য়াখিবা মহৈরোইশিংবু পূক্নিং থৌগৎলদুনা হায়, খুন্নাই অসিদা সাইন্সনা এক্সপ্লোর অদুগা এক্সপরিমেন্ট তৌবগী মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবনি। হৌজিক্কী মতমদা ক্লাসতা চঙলগা করিসু হংদনা য়ুমদা হল্লকপগী মতম অদু নৎত্রে। পাঙথোক্লিবা এগজিবিসন অসিনা মহৈরোইশিংগী তুংগী লম্বী শেম্বদা অচৌবা মতেং ওইরগনি।

# যাদুমনিগী ইলেক্সন কেম্পেইন হৌদোকখ্রে

থৌবাল, ওক্টোবর ১৭ (এসএনএস)ঃ খাঙবোক খুঙ্গংগী ক্লব ওর্গনাইজেসনশিংগী অপূনবা লূপ ভোলুন্টরি এদুকেস্নেল দিভলপমেন্ট সোসাইটি এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (ভেদস্কো)না খাঙবোক এ সিদা মীরেপ ওইনবা লাওথোকখ্রবা থোকচোম যাদুমনিগী ইলেক্সন কেম্পেইন ঙসি খাঙবোক পার্ট টু ময়াই লৈকাই ট্রিও দিপার্টমেন্ট গ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে।



কেম্পেইন হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ভেদস্কোগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা ডা. কেঐচ অকোইস্না, হৌজিক্কী প্রসিদেন্ট এন দোরেন, জেনরেল সেক্রেটরী এম বাবুতোম্বী, এদভাইজর এল চোনজোন সিংহ, প্রিন্সিপাল ওইরম্বা টিঐচ মঙ্গিয়াইমা, মীরেপ ওইগদৌরিবা থোকচোম যাদুমনি অমদি খুলগী অহল কয়া অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

খাঙবোক খুঙ্গংগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট থোকচোম যাদুমনিনা হায়, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী এসেম্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৬ লৈরিবা অসিদা খৎন-চৈনবগী থৌদোক অসি খাঙবোক এ সিদনা খরা হেল্লি। ঐখোয় ইলেক্সনদা মায় পাকসি হায়রগদি ইচা ইশুশিং, নহাশিং থেমজিনবা, ফাজিনবা তৌদুনা ইং তপ্পা লৈনবা হোৎনবা মথৌ তাই। মীওই খরনা অয়ুক নুংথিলদা মী ওইবা অহিংদা লাই শাবগী থবক লেপ্পিয়ু। খৎন-চৈনবনা অফবা পুরকপা লৈতে। ঐখোয় শান্তি লৈনা লৈবা পাম্মী। মরম অদুনা ইলেক্সন কেম্পেইনগা মরী লৈননা অমদি ভেদস্কো খাঙবোক্তা চয়েৎনবা লৈরিবশিং অসি মীয়ামদা শেংদোক্লবগী তাঞ্জা লৌদুনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

# ১১ কে ভি লাঙ্গোল ফিদ্দর সটদাউন তৌগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৭ (এসএনএস)ঃ ৩৩/১১ কে ভি ইরোইশেম্বা সব ষ্টেসনগী ১১ কে ভি লাঙ্গোল ফিদ্দর হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ৯ দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা ১১ কে ভি কোভর কন্দক্টর তিংগদবনা মরম ওইদুনা সটদাউন তৌগনি। ফিদ্দর অসিনা কোনবা রমগাইলোং, শিজ হোস্পিটাল, এন আই টি ইম্ফাল, লাঙ্গোল লমখাই, লাঙ্গোল নিংথৌ, লমথুং চীং, লাঙ্গোল টাইপ টু অমসুং থ্রি অমদি লাঙ্গোল লাইরেম্বী এরিয়াগী কঞ্জুমরশিংনা হায়রিবা মতম অসিদা মৈ ফংলোই হায়রি।

# খাঙবোক্তা পুলিস স্পোর্টস কমপ্লেক্স হাংদোকখ্রে

খাঙবোক, ওক্টোবর ১৭ (এসএনএস)ঃ এস পি থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা খাঙবোক্তা লৈবা পুলিস রিজার্ভ লাইনদা নৌনা শেমগৎখিবা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস স্পোর্টস কমপ্লেক্স ঙসি হৌনবী মতুং ইন্না দি জি পি মুখেস সিংহনা হৌনবী মতুং ইন্না শঙ্গাখ্রে।

পুলিস পার্সোনেলশিংগী ৱেলফেয়ারগীদমক শেমগৎখিবা স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসিগী বেটমিন্টল কোর্টতা এগজিবিসন মেটচ অমসু দি জি পিনা হৌদোকখি। মদুদা সেনিয়ার ওফিসারশিং অমসুং মণিপুর পুলিস বেটমিন্টল প্লেয়রশিং শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা আই কে মুইভা আই পি এস এদিস্নেল দি জি পি য়াওনা সেনিয়ার পুলিস ওফিসারশিং শরুকয়াখি। মণিপুর পুলিসকী ১৩৫ শুবা রাইজিং দে মাঙওইননা ঙসিদগী থা অসিগী ১৯ ফাওবা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শীন্দুনা বেটমিন্টল টুর্নামেন্টসু ঙসি হৌদোকখি। টুর্নামেন্ট অদুদা লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিং পুলিস, এম আর, আই আর বি অমসুং সি আর পি এফকী য়াওনা টিম ২০ না শরুক য়াখি হায়রি।

# য়াইকোংপাওদা লোইশিনখ্রে

কাংপোকপি, ওক্টোবর ১৭ (এসএনএস)ঃ প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীয়ামগী সেবা তৌরকপা চহী ২৫ মপূং ফারকপগী থা অমা চূপ্পা চত্থরকখিবা সেবা সনকল্প অভিয়ান ২০২৬ কাংপোকপি দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ঙসি য়াইকোংপাও ভিল্লেজদা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন য়াওনা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা লোইশিনখ্রে। থৌরম অদুদা দাইলি, ফয়াপৌ, য়াইখোংপাও, তুমনৌ-পোকপী, লিয়াই, কল্লাপাহার, লিয়াই কোংপাও, থনাম্বা অমসুং মহিকা ভিল্লেজগী খুঞ্জাশিং শরুক য়াখি হায়রি।

# নোংমৈনা শান্তি পুরকপা ঙম্লোইঃ গোবিন্দাস

বিষ্ণুপুর, ওক্টোর ১৭ (এসএনএস)ঃ চহী অহুম হেল্লক্লবা ইৱাং অসি লোইশিন্নবা ঐখোয় পূন্না ফম্মিন্নদুনা ৱারী শান্নবা তঙাইফদ্রে। লৈরিবা সি এস ওশিংনা ভোলুন্টিয়ার তৌরগা লৈঙাক্কী মেছিনরিশিং য়াওনা টেবলদা খন্নরগা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমগনি খল্লি। থোক্লিবা ইৱাং অসি নোংমৈনা লোইশিনবা ঙম্লোই হায়না ষ্টেট অসিগী হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ফোঙদোকখ্রে।



বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু থা অমা চূপ্পা চত্থরকখিবা সেবা সনকল্প অভিয়ান ২০২৬ লোইশিনবগী শরুক অমা ওইনা জন সেবা মহা কুম্ভাগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম্না মখা তানা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৱাখল্লোন্দি লৈবাক অসিগী মীয়ামগীদমক সেবা তৌবা হায়বসিনি। মীয়ামগী সেবা তৌবা হায়বসি নোংমা নৎত্রগা নুমিৎ খরনি তৌরগা লোইশিনবদু নত্তে। মতম চূপ্পদা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্লিবমখৈ তৌবা অদুনি। মীয়ামগী সেবা তৌবা মতমদা রাজনিতিগী ওইবা অখুবা মীৎয়েং থমদনা ময়াম্বু চপ মান্নবা মীৎয়েংদা সেবা তৌবা অদুনি। মরম অদুনা লৈঙাক্না মীয়ামগীদমক পীরিবা স্কিম কয়াগী কান্নবা মীপুম খূদিংমক্তা চপ মান্ননা ফংহনগদবনি।

মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্স বিষ্ণুপুরদা লৈবা পি আর সি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মোইরাং এ সিগী এম এল এ থোঙাম শান্তি, দিপ্যুটি কম্মিস্নার পুজা এলাংবম, এ দি এম তোইজম ওপেন্দ্রো অমদি দি এফ ও বিষ্ণুপুর দব্লিউ মিরাবাইনা অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। অহল ওইরবা মীওইশিংদা হ্বিলচিয়ার, সিট্টিং কুমুদ, ৱাক্কিং ষ্টিক, নি বেল্ট অমদি হোর্টিকলচর অমসুং এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী বেট্টরি স্প্রেয়ার পম্প য়েন্থোকখি। দিষ্ট্রিক্ট ফিসরি ওফিসকী মায়কৈদগী অথোইবা মীথুংলেনশিংদা শরেং অমমমসু খুদোল তমখি হায়রি।

# স্কুল ষ্টুদেন্টস সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

থাঙ্গ, ওক্টোবর ১৭ (এসএনএস)ঃ সঙাই ফার্ষ্ট ফাউন্দেসন মণিপুরনা সঙাই দেগা মরী লৈননা নোংমগী ওইবা স্কুল ষ্টুদেন্টস সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম ঙসি থাঙ্গ হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী ওদিটোরিয়মদা মায় পাক্না পাঙথোকখ্রে।

প্রোগ্রাম অদুদা থাঙ্গ হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল বি প্রফুলো শর্ম্মা, হেদমাষ্টর টি বাবুধোন, সঙাই ফার্ষ্ট ফাউন্দেসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ডা. খাঙেম্বম শামুঙৌ, ভাইস প্রসিদেন্ট কে জুগেশ্বরনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী মনুং চন্না স্পোট ক্লুইজ কম্পিটিসন অমসু পাঙথোকখি। নোলেজ ওফ দ সঙাই, বাইওদাইভর্সিটি এন্দ ইনভাইরোনমেন্টেল কঞ্জার্ভেসন হায়বা হিরমদা মহৈরোইশিংগী ওইনা পাঙথোকখিবা স্পোট ক্লুইজ কম্পিটিসনদা মহৈরোই ৫৬ না হৈনিংনা শরুক য়াখি। মখোয়গী মনুংদগী হেন্না ফবা মহৈরোই ৫ ৱিন্নর ওইনা খনগৎখি। চহীসিগী দিসেম্বর ১০ দা পাঙথোক্কদবা অহুমশুবা সঙাই দেদা মখোয়বু ওকপগা লোয়ননা পূক্নিং থৌগৎকনি হায়রি।

মখা তানা ডা. খাঙেম্বম শামুঙৌ মশামক্না খোমজিনবা লাইরিক ১৩ সু স্কুল লাইব্রেরীদা দান তৌখি। সঙাই ফার্ষ্ট ফাউন্দেসনগী সেক্রেটরী বুধ খ্বাইরাকপ্না সঙাই কনবা অমসুং য়োকখৎপা অমদি অকোয়বগী ফিভম ঙাক শেনবা হায়বসিদা শরুক য়াখিবশিং পূন্না ৱাশক লৌমিন্নদুনা থৌরম অদু লোইশিনখি হায়রি।

# মোইরাং পুলিসনা শীন্দুনা কেনোইং এন্দ কয়াকিং চাংদম্নখ্রে

মোইরাং, ওক্টোবর ১৭ (এসএনএস)ঃ ১৩৫ শুবা মণিপুর পুলিস রাইজিং দেগী মাঙওইননা এস পি বিষ্ণুপুরগী মীৎয়েং মখাদা চত্থরকখিবা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়াগী মনুং চন্না ঙসি মোইরাং পুলিস ষ্টেসন্না শীন্দুনা কেনোইং এন্দ কয়াকিং চাংদম্নবা পাঙথোকখ্রে।

এস পি বিষ্ণুপুর কেএসঐচ রবিকুমারগী মীৎয়েং মখাদা এস দি পি ও মোইরাং লৈশাংথেম জিবিদনা লুচিংদুনা লোক্তাক পাৎকী মনুং চনবা হুবিদাক পাৎতা শীনখিবা কেনোইং এন্দ কয়াকিং চাংদম্নবা অদুদা তাকমু স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ট্রেনিং তৌরিবা শান্নরোইশিং শরুক য়াখি। মিটর ১০০গী কেনোইং এন্দ কয়াকিং রেস চাংদম্নবা অদুদা সি আইগী ওইনা চেলসি খুন্দ্রাকপম, মাইরেম্বম মেলোদি অমদি মোইরাংথেম সন্তোসনা মথংশিংনা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখ্রে। অদুগা কে আইগীনা মোইরাংথেম ইবোবি, লাইশ্রম রোজিকা অমসুং লাইশ্রম মোনালিসানা অহানবা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখ্রে।

মকোক মথং তাখিবশিংদা অচম্বা খুদোল তমদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। শরুক য়াখিবা শান্নরোইশিংদসু খুদোল তমখি হায়রি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা কেনোইং এন্দ কয়াকিংগী কোচ ওইরিবা খেদা, ইন্দিরা অমসুং লক্ষ্মীদসু পুলিসকী মায়কৈদগী অচম্বা খুদোল তমদুনা ইকায় খুম্নখি। মোইরাং পুলিসকী মরু ওইবা ওফিসার অমসুং পার্সোনেল কয়া থৌরমদুদা শরুক য়াখি।

অমরোমদা কৈবুল লমজাও পুলিস ষ্টেসন অমসুং রাজ মেদিসিটি ইম্ফাল খুৎশম্নদুনা মণিপুর পুলিস রাইজিং দেগী মাঙওইননা এস পি বিষ্ণুপুরগী মীৎয়েং মখাদা নোংমগী ওইবা ফ্রি মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে। মেদিকেল কেম্প অদুদা কৈবুল লমজাও পুলিস ষ্টেসনগী অকোয়বদা লৈবা খুঞ্জাশিং অমদি পুলিস পার্সোনেল কয়া অনা লায়েংগী খুদোংচাবা ফংখি হায়রি।


AJAD ENGLISH SCHOOL, MEITRAM

IMPHAL WEST, TIDDIM ROAD

Recognised by BOSEM, Regd. No. 15613

TEACHERS RECRUITMENT

| Name of Post | No. | Min. Qualification | Monthly Salary |
|---|---|---|---|
| Computer Teacher | 1 | BCA/MCA preferebly having teaching experience | 9,000-12,300 |

The eligible candidates may apply on plain paper along with their resume on or before **21-10-2026** between **10am** and **11am**. The candidates will be selected through written test, classroom demo and interview.

Date of selection : **22-10-2026** Time: **10.00 am**

**Only shortlisted candidates will be called for the selection.**

*Resume can aslo be mailed to* ***ajades14.meitram@gmail.com***

Sd/-
Secretary

SL/Sush/17,18,19



**Space Coaching Centre**

**Kwakeithel Heinoukhongnembi Near RM school.**

HURRY ADMISSION OPEN HURRY

REVISION COURSE FOR CLASS X

# ALL SUBJECTS # RESDENTIAL MODE

STARTS ON 12TH NOVEMBER

HINDI TUITION CENTRE

SPOKEN HINDI COURSE 3 MONTHS

TUITION CLASS FOR ALL V-X

CONTACT -7005285138/9615455360

SL/Sush/17 July -Jan-16



## লায়েংজরি



**মখাগী লায়নাশিং চহী ৮০-৯০ শুরবা, চহী ২০ হেন্না নারবা অরিবা অনাবশিং মায় পাক্না লায়েংজরি**

১। কোক ঙাউবা, চিকপা, লূম্বা, শাবা, নাবা, তরং চৎপা।
২। মীৎ অরাও অখু মান্নদবা, মীৎ খুবা লাওথোকহনবা, ঙাংবা, কুৎশনবা, তোংথোকহনবা, পি তাবা, নুংশাগী মঙালদা য়েংবা ঙমদবা, মশেন মরাং উবা, হাক্কচবা, মীৎপান চোন্থবা।
৩। নাকোং ঙংবা, তাদবা, য়া য়ারি পোম্বা, নোম্বা, চত্থবা, চিকপা নাবা, অপোম অতং, তোনশিন, থবাক নাবা।
৪। ঙক পৈবা, ফুনগৎপা, খোন শিবা, হাবা, লৈ লাক্তবা, লোক কংখু Asthama শ্বর হোনবা ৱাবা, Heart কী লায়নাশিং।
৫। Diabetise মপান য়াম্না থোকপা, Sugar ৱাংবা, চীঞ্জাক ককপা, insuline কাপ্পা, হিদাক গুলি চাবা, হিদাক গুলি পূম্নমক তোক্লগা পূম্নমক ফহনবা, অকনবা থবক শুহনবা।
৬। Piles মতম কুইনা শংঙগা খোং হাম্বা য়াদবা, ঈ তাবা, পোমথোকপা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, গেষ্ট্রিক কাবা, হামেং মথিগুম মরু মরু খোঙ হাম্বা, খোঙ মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, নুংশঙ মখুন খুবা লাউথোকহনবা, অতৈ অতৈ
৭। খূৎ পায়শনবা য়াদবা, খ্বাং-খুউ, খূনিং, হকচাং চিকপা, শাবা, Sinus, Liver, Lungs, Stone case, লাই নুংশিৎ, ফম্বা, চৎপা লোংবা ঙমদবা মশা পৈবা অসিনচিংবা।

লায়েংফম ঃ
Khwakeithel Lainingthou Nongsaba
# 6009116741

SL/Sush/18



**GAS TODAY**

**Imphal LPG service**

Booking up to date, Please give missed Call to 8454955555 from costmers registered mobile number. Customers are requested to create demand by giving issed call we have ample stock from 26th days of delivery.


চাকঙাই ৱারী-৩৮

ঙানু থেঙ্গু

অইবা অমসুং অয়েকপা নোং লান



## অখন্নবা ৱারেং

# পূন্সি খোঙচৎ

### ডা. তেম্বা হুইরেম

–বুদ্ধি! ৱানসুক লাক্লবরা?

–লাক্তে সার।

–করিগীনোনে মাবো?

–খঙদ্রে তৌদৌসে। নঙনা মরোল অমা, মানা মরোল অমা। নঙগী মেলরিয়া ওফিসারদুনা তৌরিবদুগা ঐ লৌশিং মাঙই। খোয়দৌ শাওগৎলি ইবো।

–করি হায়রকইনো সার?

–ঐখোয়গী মফমসিদা অনী শিরে, খুলগী মীনা কমপ্লেন্ট তৌরে, ফিল্ড ভিজিট তৌদ্রে, স্লাউদ কলেক্সন তৌদ্রে, লেবরেটোরি টেক্নিসিয়ানগী ক্রোস চেক্কিং রিপোর্ট লাল্লে হায়দুনা ইমান্নবা ডোক্তরশিংগী মমাঙদা ঐবু চৌবা য়াবা চৈখ্রেদনা। নখোয় অনীনা মরোল অমা ননা কল্লিবা। মথং মিটিং চৎকদবা তল্লে ঐ।

–মদুগী মকোক তাঙবা ডি এম ওদুগী হৈনবীনি। ঐখোয় টেক্নিসিয়ান মীটিং খূদিংদসু অদুম ঙাঙই।

–অদু অদা খঙদে ৱানসুখ কৌরকউ।

– মা হন্দক মরকসি কৈনোমা ইতৌ তৌই। মমাসু শোল্লে হায়। ঐ ময়ূমদা চৎলুগে সার।

বুদ্ধি থবক চেকশিনবা অঙাংনি। মানা হেক লাকপদগী ঐগীদি পাঙ্গল ওইরিবনি। বোর্দর এরিয়া অসিদা মখোয় ময়ামগী মতেংনা মায় পাক্লা থবক তৌবা ঙল্লিবনি। মাগী মেরিৎ ঐ খঙই। ইম্ফালগী মমিং লৈরবা লেবরেটরি কয়াদা থবক য়াওরকই হায়। পৈশা নীংথি নুংঙাইনা পীবিদবদগী হিংবা ঙন্নবা মফম অসিদা লাকপনি। খূদোং চাখিদ্রবা মফম অসিদা মানা ঐগী ইতেং ওইরিবনি। দিষ্ট্রিক্ট মেলরিয়া ওফিসারগী অশাওবী হায়ববু মাগী মরৈ লোন্বা হিন্দি অংগ্রেজি মথোঙ খঙদবা, লোল ফাওদবা অসিনি। অদুগা মাগীনা দিষ্ট্রিক্ট মিটিংদা খঙদনা অখঙ শাবা, থবক লৈথোক্কনবা পনার মচাশিংগী মমাঙদা লক্লবগম চৈবা অদুনি। ঐনসু ফনা য়ান্না হায়রবনি থবক হৈ লোলগী প্রোব্লেমখক্তনি হায়দুনা। অদুবু মদুগী কোক্তাংবা পাখঙ অরিবদুসু লৌশিং ইতা তাদে। মবুক ফত্তববুদি নত্তে। ঐখোয়গী পি ঐচ সিগী অৱাৎ–অপা অদুম হংবী। হীদাক ওইরো, টেষ্ট কিট ওইরো ঐখোয়দনা হেন্না অদুম পীবি। নোংমসু মানা এম পি দব্লিউগী মীটিং দা খুন্দা সর্ভে চত্তে হায়দুনা চার্জ হেক্তা তৌই হায়দুনসু ৱানসুখতু শাওনা লাকই। সুখপুদি মখোয় মশেন্নিনা ঙাঙনবা ঙমই। অদুবু মাবুসু তত্তনা অদুম চৈবী। মাগীসি কোক লৈখৎপা অমা লৈবরা নৎত্রগা হৈনবী হায়বদুরা খঙদে। মসিনা ওইরম্বা তাই মানা হৌজিক ফাওবা নুপী থিদ্রিবসি।

–সার! ঐবু কৌবীবরা?

– ইমাদু শোল্লে। নুমিৎ খরনিসে মশা ইনুং নুংঙাইতে হায়।

অদুননি সার।

–অদুবু হায়রম্বা য়াদ্রো? নখোয়সিদি!

তুমিন লৈখি। ৱা মখা তারক্তে। মায়থোঙ ইমক মকশিল্লি। মতৌদু ঐসু নুংঙাইতে। অদুবু দি এম ও গী ৱাঙাংদুদি নাকোং কন্না খোম্থাং য়ৈরি।

–ফনি সার (অদুম থোকখ্রে।)।

ঐসু খঙদবদি নত্তে মাগী নুংঙাইতবা। অঙাং ওইরিঙৈদগী ওর্ফান হোমদা লৈরকপনি। ওর্ফান স্কুলদা মহৈ মশিন তম্লগা মখোয়না শিল্লোংদা থাবীদুনা টুয়েবল্ব ষ্টেন্দর্দ ফাওবা তমহৌবনি। মতুংদা স্কুল অদুমক্তদা ওঝা ওইদুনা মমা মচাগী হিংনবগী লম্বী ওইরিবনি। নেসনেল হেল্ঠ মিসনগী ত্রিপল পিগী প্রোগ্রাম লাকপদগী খাশি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন্না দি এম ওদা হায়নদনা কন্ট্রেক্টতা এম পি দব্লিউ ওইনা হাপ্পীখিবনি। থবক তৌবদা মশা নাল্লি। মশকসু ফজে। অদুবু মতম চুপ্পদা ৱাখল পোৎলুম পুদুনতা লৈ। নোংমসু হোস্পিটালগী ভেরান্দাগী উখোঙদা ঙারগা উংদুনা লৈরম্মী। ঐনা কৌশিন্দুনা হংখি।

–কৈদৌরে?

–কৈসু তৌদে সার।

–চিংনগনু হায়য়ু। ঐনা ঙম্বা ওইরবদি নতেং পাংগে।

তুমিন্না লুকথদুনা অদুম লৈখি খুমদে। ঐসু মাগী মতৌদুদা নুংঙাইতদুনা মখা তানা হায়খি।

–হঙ্গোইগনু সুখ। ঐসে নপাগুম্বনি। ৱা ঙায়গে তাও।

পুন্সিগী লানফমদা চমন্নরক্লদি অতোপ্পগী মতেং লৌগদবনি। মদুদা ইকায়ফম থোক্তে।

–সার ঐ নাগালেন্দ চৎনিংই। ইমানা হিংলিঙৈদা অমুক্তং অরোইবা ওইনা চৎকে খল্লি।

–অদুগী ওইরে নঙনা উংলিবদি। নাগালেন্দগী করম্বা দিষ্ট্রিক্টতনো, য়ুন্নাক শাগৈ করিনো খঙবরো?

–ইমানা জুনেভোতো হায়না তত্তনা শোল্লি। য়ুন্নাক শাগৈদি খঙদে। অদুবু বাবাগী মিংদি ইশাক সু কৌই হায়।

–মদুদনিনে লুরিবসে। ষ্টেট অমগী চাউখ্রবা দিষ্ট্রিক্ট অমদা চপ চানা লৈফমসু খঙদনা করন্না থিরুগনি।

– সার! অমুক্তংগা হোৎনদুনা য়েংগে। ইবুংঙো যীশুনা চানবীগনি খল্লি।

–জুনেভোতোদা ঐগী মরুপ অমদি লৈখিবনি। কোলকতাগী ক্লাসমেটনি। মাগী এদ্রেসতি লৈরম্বসু য়াই। ঐ থিরকখিগে। মাগা তানবনা ফগনি।

–মদুতং পাঙবিরবদি য়ান্না নুংঙাইজগনি।

– চৎলো নথৌ তৌজরুরো।

–ফনি সার।

সুখকী মপাদো নাগালেন্দদগীনি। নোংমা মানা ৱারী তৌখ্রে। গাড়ী দ্রাইভরনি। সাহসনিয়াংদা উ চিংবা লাকখিবনি। সুখকী মমা পোকপা মবোক্তো চাক হোটেল মচা অমা তৌদনা মচানুপীগা মখোয় অনীদং লৈজবনি। মবোক্তা মীকৌ মীরম ফবী ফাগী জুগাই তৌগনবী ওইবনা নহা–অহল পূম্বনা মাবু কোং বনৱাট হায়না অদুম কৌনৈ। মহাকসু মরাইবক পংফ ফবীদা নত্তে। মচিন মনাও ১০গী মনুংদা নুপী মরী য়াওই। মানা নুপী য়াইমনি। অহানবা ওইনা খুল্লোন্নবা মুসুরটতগী সেংকি লিঙদোগা য়ুম্বান লম্বীদা খোঙদামিন্নখি। অদুবু সেংকি য়ু থকপদা লায়চুখিবনা ইমুং মরা তপ্পা পানবা ঙমখিদে। তত্তনা খৎনখি। মমানা চৈমনবদগী সেংকি তাম্থোকখি। খরা লৈরগা সাইপুংদগী লুকাস লাক্তুনা মচা অহুম ফংজখি। নুপা অনীনা অহন্নি অদুগা মচানুপী ঙাইনুদনা অতোনবীনি। ঙাইনুদনা চহী ১০মুক শুরকপদা মপা জোন্দিস তৌদুনা শিখি। মবুং অনীগী মনুংদা অমনা লাসকেন্দা অদুগা অমনা জোৱাইদা য়ুম্বান্দুনা লৈখি। মমা মচাদমক হোটেল মচা অসি ফমদুনা হিংনবা লম্বী ওইখি।

কোং বনৱাট অসি সাহসনিয়াং কুনগী য়ান্না খূৎকন পাঙ্গনবা সুচিং য়াং নিঙোলনি। শাগৈ চাউই হায়দুনা কৌদৌরুনি? চীংলৈবাক ওইবনা তম্পাক লৌউবা অমসুং উমংদা উ য়ানবা শীং চনবা নত্তনা পাম্বৈ অতৈ লৈতবনা মশা মশাগী হোৎনবদা কনাসু হন্না য়েংবা ঙন্নদে। অদুনা শুবা নোম্বা ঙমজবা মমা মচাগীদি হোটেল অসিনা হিংনবা লম্বীনি। ঙাইনুদনা চহী ১৫/১৬ শুরকপা মপুং মরৈ ফারকপা মতমদা ইশাক্কা থেংনখি। গৌহাতিগী গাড়ী মহাজন অমগী দ্রাইভর ওইনা উ চিংবা লাকখিবনি। মানা লাকপা খুদিংগী কোং বনৱাটকী হোটেলদা চাক ঈশিং চাদুনা থুং ফম ওইখি। নোং চীংগী ফিভম ফত্তবা উ ফংদবা মতমদা অহিং কয়া য়ারেক্তুনা লৈবা য়াওখি। ফাগী জুগায় তৌনদুনা লোয়নরম্বদগী পাখং লৈশাবী ওইবনা ঙাইনুদ ইসাক নুংশি ঈপাক্তা চাক্তামিন্নবা হৌরকখি। কোইনরকখিদে। মচাগী অহোংবা ফিভম উবদা কোং বনৱাট মিপাইজখি। মচাবু লোন্না কায়রক চৈজখি। অদুবু মতন্না পুরকপা তাইবঙ মপুগী কুম্মৈ কনানা থিংবা ঙমগনি? মশা ৱাই শঙলক্ত্রবী ঙাইনুদ মকুম মথা শুজি ল্লক্লে। পাক্লবা পূন্সি ঈপাক্তা হিমায় চুম্বীনবা হিরোইসু য়াওদনা মচানুপীবু চাউরবা মঙান কয়াগা লোয়ননা য়োকচরকপনি। অদুবু নীংজবনা অমা লাইনা তম্বনা অমা হায়বদুমক থোক্লরে। কাঙলূপ তিন্নবসু নত্তবা লমগী মীরান অমগা মচানা করন্না পান্দুনা হিংহৌগনি খল্লুবদা তূম্বা য়াখিদে। হিংনবগী লানফম মায়পুনরিঙৈ মচানুপীবু মতম চানা ৱারক ৱাতেমদুনা ফাজিনবসু ঙমহৌদ্রে। কনাদসু ফোঙদোক্তনা মহৌশা মাগী চৎনবীবু মথন্তা মবুক্লিংদা চৈজখি। মমৈদা মচাবু চর্চতা পুখৎলগা খনফেস তৌহন্দুনা হোলি মেরিয়েজ তৌবিগে হায়না লেপখি।

তা অহুম হৌখ্রে। ঙাই মচা নুপা অমা ফংজরে। ইশাকসু মনাক্তা লেঙদনা লৈদুনা খুনগী থবক য়াওরে। চহী অনীরোম নুংঙাইনা লেনমিন্নরবা তুংদা মচা নুপী অমগা ফংজরে। হোস্পিটালগী খূদোংচাবা লৈতবনা লৈকাইগী চাবোকপীনা পোকপদা ঙাইনুদ শিরুবদগী হল্লকপগা চপ মান্নখি। নুমিৎ অনী অহুম লৈরগা অঙাং অদুসু শিখ্রে। মশাগা শোনবনে মচা কায়নবগী নুংঙাইতবনে ঙাই থা কয়া ফমুংদা য়াতাদুনা লৈখি।

অসুন্না চহী অনীরোম হৌখ্রে। ইশাক খুন্দা থবক শুবনদি ইমুং পুবা ঙল্লক্তরে। হান্না থৌরম্বা ট্রকতু পায়নবা গৌহাতিদা মপু উনবা চৎখ্রে। মঙানীশুবা নুমিত্তা গৌহাতিদগী তন্না হল্লক্তুনা ময়ুম নাগালেন্দদা চত্তবা য়াদ্রে হায়ররে। ঙাই কোকথক্তা অতিয়াদগী নোংমৈ শীংজং তারক্তুনা পাল্লবগা চপ মান্নখ্রে। অদুবু ইশাকনা মমা কন্না নারে হায়বদুদা খাম্বসু য়াদ মতুং ইনবসু ঙমজদা মপুরোইববু চেজেৎ কোন্দুনা থুনা হল্লকউ হায়দুনা পাউমেনঞ্জখি। ইসাকনা মীৎয়েং ৱাংমা লান্দ্রিফাওবা ঙাই মচাবু চেৎনা কোঞ্জদুনা মপুরোইবদা চৎলুখোকো হায়দুনা খূৎ হাইনা হাইনা লৈহৌখি।

ঙাই খূৎ থেক্তুনা নুমিৎ মশীং থীবা ঙল্লক্তরে। নোংমা লাক্কদ্রা লাক্তা থা কয়া হৌখ্রে। লাকপা কৌবা লৈখিদ্রে। সুখ চাউরে, চহী ৭ মপুং ফারক্লে। পানার লোন্দা ‘ৱানসুখ’ হায়বা মিং অসিগী ৱাহম্থোক্তি নুংঙাই য়াইফনা হল্লকপা হায়বনি। ইশাক হল্লকখিগনি হায়বগী ৱাখলদা মমানা মচাগী মমিং ৱানসুখ হায়না নুংশিনা থোনবীখি। মমান্নবশিংনা স্কুল কাবা উরগা নিঙাই তৌদুনা মাসু ময়ামগী মতুং ইন্দুনা লৈকাইগী এল পি স্কুল অমদা মহৈ তমবা হৌখি। অদুবু লায়রবী মমানা মচাগী মনিং থুংহনবদি ঙমখিদে। মমা মচাগী মতৌ য়ৌবা ঙমদুদনা কোং বনৱাটনা মচানুপীবু অতোপ্পা নুপা অমগা অমুক ময়ুম পান্নবা শীনখি। ঙাইনা শিখাঙ খাঙদুনা য়াখিদে। শাওরবা মমানা মচাবু কয়ারক চৈখি।

–মী খ্বায়না তৌনদবসু নত্তবদা নপুন্সিদু ৱাজগে হায়না শীল্লিবনিনে। নমান নমান্নবনা মাগী মাগী অনৌবা পুংবা খোঙলোই শেমদুনা পান্নরি। অদুগা নঙনা হনুবী ঐবু ইরু তক্লিবনিনে।

–তানিংদে ইমা। ঐ শুকঙম ঙল্লোই।

পনারগী চৎনবীদা নুপানা নুপীগী য়ূমদা লাক্লগা য়ূম পান্নে। মচাশিংগী শাগৈসু মমাগী শাগৈনা (ম্যার্ট্যর্কলিজম) ওইনৈ। অদুনা ঙাইগী মবুংশিংসু মাগী মাগী নুপীগী মনাক্তা অদুম লৈখি। মচিন–মৌপ্পানি অদুগা মমা লৈরি হায়দুনা নোংমা ফাদোক লাকপা হংলবা নত্তনা অদুম লাপ্লখি। অদুগা নুপীনা নুপা অমগী মথংদা অমা লৌবা অদুম চৎনৈ। খরা তৌবা ঙম্বী নুপীদি নুপা তোয়না হোংই। মথ্বায়না তাজবা অপাম্বা নুপা খন্দুনা নুংঙাইনা হিংবা য়াওদবা নত্তে। নুপীনা নুপা অঙাং নহা লৌবা য়ান্না থেংনৈ। নুপীগী য়ুম্ফম ফংফম থোকপা অসুক চাউখ্রবা সমাজদা পোক্লবী ঙাইগী মফমদদি ওন্ন–তৈনবা হায়বদু ওইখ্রে। খঙদে মহাক চৎনবীবু শীংনরিব্রা নৎত্রগা ইশাক্তা মপোক কয়াগী মথ্বায় কৎখ্রবনো? অমুক ময়ুম পাল্লু হায়বতদি য়াবা কৌবা লৈখিদ্রে।

কৈরোই লৈকাইনদি মহাকপু কাওনখ্রে। অদুবু ঙাইগী মফমদদি ঙরাংদগী থৌদোক্কুম মহাক লাকখিগনি খন্ন ঙাইরি। লাকমন্দ্রবদুদা চত্তুনা থিরুসিরা হায়না কয়ারক খনখি। অদুবু হংফম থিফমসু খঙলোইদবা লাপখ্রবা লমদমদুদা করম্না মাগী খোঙ্গুল লীরুগনি! মানা হায়রম্বদি নাগালেন্দগী জুভোটোদগীনি। মচিন মনাও অহুম পোকই, মপা লৈখিদরে, মমা অহল ওইরে অসিখক্তনি। খল্লুবদা তুচুংবা পোকই, কোকচাউবী কায়। পাম্বৈ লৈখিদে। মচানুপাসু তত্তনা হংখি।–‘ববা কদায়দা চৎখি? কৈদৌঙৈ লাক্কনি?’ থুনা হল্লক্কনি, লাক্কনি হায়বা নত্তনা পাউখুম অতোপ্পা অমা লৈখিদে। নোংমা নোংমা হৌখিবনা সুখ চহী ৮ শুরক্লে। মহৈ মশিন তমহনবা ঙল্লক্তদুনা নোর্থ ইষ্ট মিস্নরি এসোসিয়েসন্না লিংদুনা চথবা ওর্ফান হোমদা থমদুনা মহৈ মশিন তমহনখি। মদুদগী চহী ওন্দনা অহল ওইরবী মমা বনৱাটতি ঙাইনুদ মমা মচাবু হন্দোক্লুম্লগা লৈখিদ্রে।

ওর্ফন হোমদা লৈবদা নৌজরিবা সুখ লৈতাফম খঙখিদে। ৱাহং কয়া হংজখি– ‘ইমা ইপা লৈনা লৈনা করিগী ঐনা কনা লৈজদ্রবা মরুপ মপাংশিং অসিগা হোম অসিদা লৈরিবা? ঐগী ববানা করিগী ইমাগা ঐগবু হন্দোক্লুম্লগা চৎখ্রিবা? ঐবু মখোয়না নুংশিদ্রবা হায়বদুরা? ঐগীদি ৱাহং তনি হংলিবা, পাউখুমদি কনানা পীবিগনি? ঐসিবু পনার মচারা নৎত্রগা নাগারা? নাগা ওইরগনা ঐগী ইপাদি কনানো? করম্বা য়ুন্নাক শাগৈ? ঐগী ঈ মরীনা কদায়দা? তাইবঙপান অসিদা লৈরিবা মীওইবা খুদিংমক্কী মপা মপু, শাগৈ–নাতৈ লৈ। অদুবু ঐগীদি কদায়। ঐ খঙদবা য়াদে, ঐ থিগনি, শোয়দনা ফংনবা থিখিগনি।’

নুমিদাংৱাই অমা ঐনা পি ঐচ সিগী কেম্পস মনুংদা হঙ্গৎ হন্দা ৱাকিং চৎলিঙৈদা য়ূমদগী ইনাও নুপানা ফোন তৌরকখি– ‘তামো! পাবা মশা ঙমদ্রে, হোস্পিটালদা পুখৎলে।’ ঙাইহাক লৈরগা ফোন তৌদুনা হংলুবদা রিমস হোস্পিটালদা ঐগী পাবা লৈত্রে হায়রক্লে। বস ফংলরোইদবনা নোংঙাল্লগা হয়েং অয়ুক ওইনা য়ূম চৎপা তারে। চৌকিদার থাদুনা ষ্টাফ লোয়না কৌহল্লে, ৱানসুখপুসু কৌহল্লে।

–সুখ! ঐগী মরুপ হায়বদুগী লৈফম এদ্রেস ফংলে। চে অসিদা ইরবনি, থমজিল্লিসে। নঙগী নতেং য়ান্না ওইগনি।

সুখ চে মচেত্তু লৌরগা ফুরিৎখাওদা হাপচিনখি।

–চুন্নগী লিভ লৌদুনা য়ূমদা চৎপা ওইরবদি লম্বী পুনবনিনা নঙগা লোয়ননা চৎপা য়াবনি। অশি–অনা য়াওবনিনা য়াদ্রে। ঐগী মরুপ্পা নঙগী নতেং শোয়দনা পাংবীগনি। নখোয় ময়াম পুন্না নিংথিনা লৈমিন্নরম্মু। শোরাৎ হেক লোইবগা ঐ থুনা লাক্কে।

থা মখায় অমগী খোঙচৎ লোয়রদুনা ঐ সাহসনিয়াংদা অমুক লাক্লে। নোংঙানবগা ষ্টাফ মীটিং কৌরে। অদুবু সুখতি উবা ফংখিদে। হংলুবদা লিভ লৌখিবা নুমিৎ নীনি সুরে, নাগালেন্দদা চৎকনি হায়রম্মী হায়। মীটিং লোয়রদুনা ঐখোয় কায়নরে।

ঐনা কাগী ফমুংদা লোংনা হীপ্লদুনা শম কোকখ্রবা ইকোক্তা ইখুৎ অনীনা নাল্লদুনা খনখি–ঐনা লৌশিং তারকপদগী ময়েক শেংনা মশক খঙজরকপা ঐবু হেক পোকপীবা পাবনা লৈখিদবদা ঐ নুংঙাতে। অদুবু মতম য়ৌরদুনা নোঙ্গাখ্রবা ইপাগীদমক মচা অমা ওইনা ঙমজবা পোৎলম চৈরম কৎচদুনা পুকচেল শেংনা মথৌ মঙম পাঙথোকখিবগীদমক্তদি পূক্লিংনা পেঞ্জরি।

অমরোমদা ৱানসুখতি মপুন্সিদা মশক অমুক্তা উজদ্রিবা, মাগী হকচাংদা খোঙজেল কন্না চেল্লিবা ঈবু পীবিরম্বা, মাবু পোকপীরম্বা মপাগী খোঙ্গুল লীননবা চৎখ্রি, থেংনগনি থেংনরোইসু খঙদ্রিবা অমম্বা খোঙচৎ অমদা।

## শৈরেংশিং

### অশানবা য়ূম

*– এম এ হাশিম*

অৱাবনি থবক
ৱানোম্বা হায়ব’সি!
হয়েং শোয়দনা হায়দোক্লনি হায়দুদা
সনা ফাওবা থল্লগা
পীখিবনি ঐগী য়ুম্বুদুদা।
কয়াদা থাজবা ঐনা মাগী ৱাহৈ
ঐগী লেমহৌরিবা হায়ববু
করিনো!
করিসু লৈহৌদ্রে!
শেন হন্দোকপিরো থৌরুব্রা হায়বু
য়ূম থাদোক্লো, য়ূম শেল্লনি হায়রক্লে।
ঐ থোরক্লে য়ূম থিবা।
‘‘হরিস’’
খোঙনা মতেক অমা চৎলিঙৈ কৌরকপনি,
(ঐসে ময়ান্না কয়া খঙদ্রবসু হরিসসু কৌই।
অদুবু অহনসিদি ঐ খঙদে)
ঐবুরা খুরা?
‘‘হোয়নে নপাদি কমদৌরি!
নপাদি মীখল কাদ্রিঙৈদদি তিন্নবনি।
হৌজিকপুদি, ঙরাং নহান্দে
লৈঙাক কায়রে, থবক য়াররোই।
কায়জসনু!
নপাহোয়না অদুম পায়নিদা...!’’
ঐ শকনীংলক্লে!
ঐনা হায়
করিনো খুরা...?
অহন্দুনা অমুক মরক থৎলকই,
‘‘নত্তেনে ইবো,
নপানা লায়েংশঙ শাজিল্লিবা লমদু
শেন পীবিদ্রবরা,
তৌহনগনু
মীখলবুদি নপাহোয়না কানি হায়বু।
তোম্বগী লমসু লৌশিল্লে হায়নে
থবক হাপ্পিনি হায়দুনা তৌরুব্রা,
থবকসু লৌদ্রে
সিবি–সু অমুকসু লৈশিল্লে...!’’
‘‘খুরা
ঐ অরুবা থবক অমা...!
ফরে ইবুংঙো চৎলো,
নপাদা হায়য়ু
মীখল ৱাগনু হায়না! কো!’’
অহন্দু চৎখিবদা মঙায়রি
ঐগী য়ূম্লুরেম্বীনা তুংদগী হায়রকই,
‘‘য়ূম ফংঙে
শেন খরা থম্মু হায়রি
কন্দৈ লৌদোইনো?’’

### নহাক্কী খূৎশেমদা

*–চিঙাঙ্গম নন্দিতা*

তাইবংপানবগী মপু
জগৎসিমগী থৌনি
পুন্সিগী ৱাকৎফম
নহাক্না শিনবনিদো নহাক্তি।

তৌবা ঙম্বা নহাক্নি
শীনবা হৈবা মপুনি
নঙনা শেম্বা খূৎশেমদা
পাম্মী পামদে হায়বগী
ইতিক লৈজদেদো
ঐগা লাইবকসিবু ঐনা খঙবা ঙম্বরা।

মীৎকুপ অমদা
তাঞ্জা অমদা
করি ওইরকপা খঙদবা তাইবংসিদা
নহাক্না লেপ্পীয়ুকো মতম খূদিংদা
মীওইবগী ধর্ম তাকপীয়ু
ঐবু ঐগী কর্ম তৌহনবীয়ু
অপাম্বা পূম্বা ফংবা ঙমদ্রবসু
লৈজবা খরনা পেলহনবীয়ু
ঐবু ঐনা শক তাকহনবীয়ু
তাঙনা ফংবা মপোকসিদা
পুন্সিগী অর্থ খঙহনবীয়ু নহাক্না।

### ওর্গান দোনেসন

*–হুইরেম তোম্বীসনা*

মীদি ৱা পেৎলি
ৱা য়াম্মী
তুকা থিগল্লি
পেনবসু নাইগন্দে
অমনা তৌবদা
অমনা শীংথানদে
হায়নৈ মীগী ৱাবু
পুবা থাংবা ঙম্বরা।
কনানা হায়,
মহাক্না শিরগা
মাবু নীংশিংদুনা
অৱাবা ঈশৈ শকপীরক্নু
মাগীনি হায়দুনা শাবিরক্নু
নীংশিং ফুরা।
কানা অমনা হায়
ঐগীদি শোরাৎতা
শেল তীংবিরক্নু
চঙগদবা শেলদুনা
মবুক থন্না পীজবিয়ু
চরা অমত্তা ওইরবসু
চরাম চদৎনরবা
মবুক হাংলবা লাইরবশিং
মদুনা ওইজগে অপেনবা
ঐগী থৱায়না।
খরনা অমুক হায়,
ঐগী শোরাৎতি
শ্রীবৃন্দাবন্দ শোনবিরকউ
নত্রগা শ্রীধাম নবদ্বিপ্তা
মদুনা শকচগে
চঙনা লাইরম্লেন ফংজবা।
ঙরাংতা লৈখিদবা
বোলিৱুদ ষ্টার নানা পাতেকরসু
হিংলিঙৈদা হায়রম্বা লৈ–
‘‘মাগী পোৎলোয়বদা হাপ্পীরক্নু
মৈখু খুগনবা শীঙ
কারকপা পোৎলোই মৈখুনা
মীয়ামগী মিৎ থুপহনবা
পামজদে ঐনা পামজদে।’’
মদুনা শুকনৎ নত্তবা
মীওই খরনা হৌদোরকই
মীওইবনা শিরবা মতুংদা
মৈদা দান তৌদুনা পোৎলোয়বা
কবরদা তেক্তা কায়দনা ফুম্বা
অরেম্বদা হকচাং মাঙহনবা পামজদে।
মদুগী মহুৎ–
মেদিকেল কোলেজগী
লেবোরেটরি স্পেসিমেন ওইনবা
কখোকচবদুনা হেন্না পামজে।

### " অয়োকপা এতোম বোম"

*–রন্ধির থিয়াম*

লাই হাক্তক্তগী লাকপনা
লাক্লি হৌজিক ফাওবা
লিৎ লিৎতুনা
ঙাথু থেংথুরদুনা
মীনুখাং এতোম বোম ।
পোকসু পোকখায়দে
মৈশা মনিলদি মফংই
অমুক অমুকসু চেকখায়রকই
পোক্তা পোকখায়গদৌবসি মঙাই।
মীরোল মীরোল ফাওরকপনা
অমুক চেকখায়বদো খুমজিনখি
নুংশিনদবদি লোইরবনি এতোম বোমশে।
মীরক্তা থোরক্কনুসু ময়াদে
ফুং হেক্তা মফাওরকই
মমাবু তাথিবশিংগী মরক্তা
তুংগীদমক খন্দবশিংগী মরক্তা ।
মখোয়না মথৌসু হাপলম্বনি
য়োক য়োক্তুনা থমলম্বনি
হৌজিকসু থল্লি লিসাংশিৎনা।
প্রোক্ প্রোক্ চাক্লা খাঙনরি মীয়াম,
অয়োকপা বোম্নি হায়বসু খঙনৈ,
অঙম অথৌসিংগী
য়াইতোং খমদোংবশিংগী ।
করিদি উপাই লৈরি মীচম মীয়াম
থোকপীরকউ অথৌবা কনানো অমতংদি
এতোম বোমশিবু লোইসিল্লম্বা ঙম্বা
মতম পুম্বগী মাংহনখিবা ঙম্বা।

## তাবুনুংদগী

### মেরা হাওচোংবা অমসুং মেরা হৌচোংবা

ঙসিদি মেরা হৌচোংবা হায়না মমিং ওন্থোকখ্রবা মেরা হাওচোংবা হায়রিবা কুম্মৈ অসি কোনুং ওইরম্বা কংলাগী উত্রা অমসুং কংলা শাগী মমাঙদা নিংথৌ য়াওনা লৈবাক মীয়াম চোন্না তিন্দুনা পাঙথোকপা কুম্মৈনি। কুম্মৈ অসি লোয়পোৎ কাবগা মরী লৈনৈ। মমাঙঙৈ নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদদি মপাঙ্গল কনবা ফুরুপ নত্রগা লৈবাক্লা অশোনবা ফুরুপপু খুদুম চন্দুনা লোয়পোৎ কাহল্লম্মী। মণিপুরগী ওইনসু লোইপোৎ হায়বসি তমদা তারিবা মৈতৈশিং অমসুং চীংদা খুন্দারিবা চীংমীশিংনা মৈতৈ নিংথৌদা মহাক্কী ৱায়েন খাদা লৈজবগী চহীগী ওইনা পীজবা খুদোল পোৎনি। লোয়পোৎ কারকপদা করম্বা ফুরুপনা করি করি পোৎ পুরক্কদগে হায়বসি ‘হাও চোংবগীমশি’ কৌবা লাইরিক্তা ইদুনা থল্লম্মী। হাওচোংবা নুমিৎ অসিদা লমদম অসিগী লৈজরম্বা মশান্না কয়াদা অথোই অহেন তান্নহল্লগা শা মখল কয়া হাৎতুনা থোংলগা পেন্না পীজে। কুম্মৈ অসি করম্না পাঙথোকপগে হায়বগী মতাংদা ‘খুনুং লিচৎ শাজৎ’ কৌবা লাইরিক্তা ইরম্বা অদু ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি...

*‘‘ লোইদাম মেরা থাগী তরানি পানবদা মেরা শন্দুবা হায়বা ঈরাৎপা থৌরম থৌদোক তৌই। মদুদি নুঙ্গোয়বী লাইরেম্মদা শা শন্দং কৎতুনা কত্তুনা ইরাৎলগা লোইবি চীংবুরোইবা তম্বু থনবা পুন্নমকপু পীজদুনা হরাও কুম্মৈ তৌই। মেরা হাওচোংবা কৌই। নিংথৌগী যাত্রসু ওই। নিংথৌগী অঙম অথৌনা চীনবুংৱাদি নোঙ্গৌবী, চেক্লা থৌরৈৱাকম্বোংবু ৱাইরা শামু ওই, হয়েন লানবু ওইবা ফারগা লাইরেম্মা নুঙ্গোয়বীদা হয়েন লাল্লু চল্লে। অদুবু মবুথৌ নোংশাবদা, মবুথৌ পাখংবদা, মবেন্থৌ মোংবা থাঙ্গা য়ূমজাও লৈমদা চীংঙু মরুম্বু খোইয়ুম অমাইবনা হুয়েন লানপাউ তম্মৈ। অদুগা হরাও কুম্মৈ থাঙ–তাগী কুম্মৈ তৌই। মতুংদা মৈদিংঙু ময়াম্বা সনা হাক্তক্তগী নুমিৎ অদুদা ক্বাক্কী চানবা মচীঞ্জাক থাক্লগা ক্বাক্লা পায়খিবপা মায়কৈ য়েংদুনা অফবা ফত্তবা য়েংই, ক্বাক তানবা হায়না মিং হুনল্লি।’’*

### মণিপুরী পান্থৈ –পাউরৌ, পাউতাক

- **তৌববু হৌরবদি লোয়শিন্নবা হেন্না চাংদিং তৌবা তাবনি।**
  –পন্থুং ফংনবগীদমক শেল চঙবা পামুদবা তাই
- **তৌথোরকপা থবক্লা মীগী মশক তাকই।**
  – থবক খূৎতৌনা মীশক তাকপা।
- **তৌববু তৌরবদি থোকঅবা অমা লাকই।**
  – তৌবা তৌরবদি অফবরা ফত্তবরা অমদি শোয়দ্রে।
- **তৌহৈদবা থবক্তি তৌনিংই।**
  – অথিংবা থবক্তা খরা হেন্না চাংয়েংনিংবা পোকপা।
- **তাম্বুল নুপানা মরিং নুপীগী ফনেক তাহৌরগা খুনগনি হায়না মতুং ইন্নবা।**
  – ওইরোইদবা থবক্তা খরা হেন্না চাংয়েংনিংবা পোকপা।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

### চানক্য নিতি

- ফনবতা খল্লিবা ওজা অমদি মমা–মপাগী মপুক্লিংদা ফাওরিবদি মহৈরোয় / মচাগী অশোয়বা চুমথোকপনি, হেন্নদম নুংশিরিবনি।
- ৱাখল লৌশিং য়াওদবনা অতোপ্পদা মরাল শি, মশাগী অশোয়বদি উবা ঙমদে।
- মীফত্তনা ঐগী মীগী খায়দুনা থবক খুদিংমক পাঙথোকই
- মীফত্তদি মপুগী থবক তৌবদা মীনম্মী অমদি তৌশিন্নে।
- হৈ–শিংবা মীনা চান্দবা মওংদা হেজিন্না উৎলকপা থবক থৌওং চেকশিননিংঙাই ওই।

*মণিপুরীদা হন্দোকপাঃ শগোলশেম গৌরমহন সিংহ*

### মণিপুরী পাউখোঙ

১০১৮। মহয় মনুংদা মপাল শাৎপা করিনো?
১০১৯। মশাগী মপোৎ মশানা শীজিন্নদবা করিনো?
১০২০। মূন্না য়েংলুরগা মিৎচি খৎচল্লকপা করিনো?
১০২১। লাবসু লাবা অমোমবসু লাকপা করিনো।
১০২২। লৈদি লৈ চিন্নদবা লৈ করিনো?

(ঙসিগী পাখোং লমায় ৬তা ফোঙজরি)

### মীরোন্দগী হন্দোকপা লাইরিক
### ঐগী পূন্সি অমসুং মণিপুর

*– জর্নৈল সিংহ*

*(জর্নৈল সিংহ মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরী ফাওবা ওইরম্বা আই এ এস ওফিসার অমনি। মহাক্লা মণিপুরদা থবক তৌরিঙৈদা থেংনরকখিবশিং অদু নীংশিংদুনা ইংগ্রাজীদা ইবা ‘মাই ত্রাইষ্ট ৱিথ মণিপুর’ হায়বা লাইরিক অসি ক্ষেত্রিময়ুম সান্ত অমসুং ডা. কে এস ঐচ নরায়ন সিংহনা মণিপুরীদা হন্দোক্লে। লাইরিক অসি কলম অসিদা মথং মথং ফোঙদোকচরি।)*

(মমাঙ নোংমাইজিংগী মখা...)

#### রিভিয়ুশিং অমসুং ইন্সত্রক্সনশিং:

ঐঙোন্দা ঙকপদা, ১৩২ কে ভি ত্রান্সমিসন লাইনগী ফিজিকেল প্রোগ্রেস অসি জিরো ওইরি হায়রকখি। প্রোগ্রেস রিপোর্টতা পল্লিবা চাদা ৬৫গী ফিজিকেল প্রোগ্রেস অদুদি টৱার মেম্বরশিংগীদমক শেল পীখিবপা কন্ট্রেক্টরদা কায়থোকখিবা শেনফমগী চাদা ৬৫ খক্তনি হায়বা খঙলকখি। কন্ট্রেক্টর অদুনা সপ্লাই তৌরকপা ত্রান্সমিসন মেটরিয়েলশিং অদুদি মফমদা অমদা মপৈ ওইনা তাদুনা লৈরম্মী। মসিগী প্রোগ্রেস রিপোর্টসি অরানবনি। থুনমক, কন্ট্রেক্টর অদুদা ত্রান্সমিসন লাইন শাগৎপা হৌনবা হায়রখিরম্মী। তুংগীদমক এম এস পি সি এলনা থাগী রিপোর্টশিংদা অশেংবা তৌখিবা থবকশিং অদুদা য়ুম্ফম ওইদুনা আইটেম ৱাইজ ফিজিকেল প্রোগ্রেস উৎনবা পাউতাক পীরম্মী। চীফ মিনিষ্টর ইবোবীনা এম এস পি সি এল অমদি এম এস পি দি সি এলনা লৌখৎপা স্কিমশিং অমসুং প্রোজেক্টশিং পুন্নমক্কী প্রোগ্রেস রিভিউশিং তৌরম্মী। মরুওসবা প্রোজেক্টশিংদা মহাক্লা চাং নায়না চৎলম্মী। ইঞ্জিনিয়র নত্রগা কন্ট্রেক্টর অমত্তনা মাবু ৱার্ক প্রোগ্রেসকী মতাংদা শেরান্নবা উহনবা নত্রগা থেঙথবগী অরানবা মরম পীবা অসি খুদোংথিনিংঙাইনি। ৱার্ক সাইদশিংদা চৎনিংবগী অমসুং হকথেংন্না সমস্যাশিং অদু লৈখায় তানবা হোৎননিংবগী মহাক্কী অকনবা ৱিল পৱার অমসুং তৌনিংবগী ৱাখল মঙোন্দা লৈ। রাইটিং পেদ নত্রগা প্রোজেক্টশিংগী মরিক চুম্বা ৱাফমশিং ইশিনবা অমসুং মদুগী কালকুলেসন তৌবা ঐনা য়াম্না উখ্রে। প্রোজেক্ট ইষ্টিমেটশিং মরিক চুম্না য়েংশিনবা অমসুং কন্সত্রক্সন সাইদশিংদা তোয়না চৎপা মাগুম্বা পোলিটিসিয়ান অমত্তনা ঐনা উখিদ্রি। ঐগা থবক তৌমিন্নখিবা চীফ মিনিষ্টরশিংগী মনুংদা রিশাং কৈশিংসু কন্সত্রক্সনন সাইটশিংদা চাং নাইনা চৎপা ঐনা থেংনখি। জিরিবাম–ইম্ফাল রেলৱে লাইনগী প্রোগ্রেসকী ৱা খন্ননবা রিভিউ মীটি অমখক্তা রেলৱেজ (নোঠ ইষ্ট)কী জেনরেল মেনেজরনা জিরিবাম–ইম্ফাল রেলৱে লাইন শাগৎপদা চাদা চাম্মা মতেং পীবগীদমক চীফ মিনিষ্যর অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টপু থাগৎলকখি। রিভিউ মীটিং অদুদা ঐসু শরুক য়াখি। অওইবমক, চীফ মিনিষ্টরবু খ্বাইদগী থাগৎপা অদু চীফ ইঞ্জিনিয়রদগী মখাগী ৱাহৈ পরেংশিং অসুম্না হায়রকখি, ‘সার ঐখোয়গী প্রোব্লেম অমা লৈরবদি নোংয়াই চবুক্তফাওবা নঙোন্দা টেলিফোন তৌবা ঙম্মী।

মথং মথং....

# ফোর্মেল এদুকেসন লাক্ত্রিঙৈদা মীয়ামদা এদুকেসন পীবসি পূয়া ৱারী লীবা অসিনা ওইরম্মীঃশিবদত্ত

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৭(এস এন এস)ঃ

ফোর্মেল এদুকেসন লাক্ত্রিঙৈদা মীয়ামদা মহৈ মশিন অমদি ঈ–পাউ পীবসি পূয়া ৱারী লীবা অসিনা ওইরম্মী হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই হায়না লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দকী ফাউন্দর মেম্বর সেক্রেটরী মাইস্নাম শিবদত্তা লুৱানা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলনা শীন্দুনা নুমিৎ নীনি চুপ্পা চথরকপা ১৮শুবা নেরেটিভ আর্ট ফেষ্টিভেল লোইশিনবগী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মরুওইবা মীথুং ওইনা শরুক য়ারদুনা মাইস্নাম শিবদত্তা লুৱাংনা হায়, পূয়া ৱারী লীবা অসি হেন্না চাউখৎনবা হোৎনবদা লম লমগী লাই হরাওফমদা পূয়া ৱারী লীরগা হরাওরিবা লাই অদুগী মতাংদা খঙহনবা অসিনা লাই হরাওরিবগী ৱাহন্থোক হেন্না লৈহনগনি। অসিগুম্বা ৱারী লীবগী চৎনবী অসি নিংথৌরোল কয়াগী হাক্তক্তগী চৎনদুনা লাক্লগসু লৈবাক মীয়ান্না পাক শন্না পূয়া ৱারী লীবা হৌখিবা অসি খাগেম্বা নিংথৌগী হাক্তক্তগী হৌখি। অসুন্না মীৎয়েং শান্না উরবা মতুংদা লৈখিদ্রবা পদ্মশ্রী নব ৱারেপ্পমনা নেরেটিভ আর্ট ফেষ্টিভেল হৌদোক্লম্বা অসিনা ৱারী লীবগী শীনফম অসি হেন্না চাউখৎপা ওইরগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচরগী জোইন্ট ডাইরেক্তর জি ধর্মদাস শর্ম্মা অমদি মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট হৱাইবম বুধিসু মরুওইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। ঙসিগী লোইশিনবগী থৌরমদা এল এস টি বি ৱারী লীবা লোইশঙগী শঙলাকপা ওজা শাজৌ চেংলৈনা হিয়াংথাং লাইরেম্বীগী মতাংদা ৱারী লীখি।

# সিভিল সার্ভিস কোচিংগী সেলেক্সন এগজামিনেসন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৭ (এস এন এস)ঃ

সি এম স্কোলারসিপ স্কিম ২০২৬–২৭গী মখাদা সিভিল সার্ভিস কোচিং তম্লিংবা এস্পিরেন্টশিংগী ওইবা সেলেক্সন একজামিনেসন লাক্কদৌরিবা নবেম্বর ১দা পাঙথোক্লগনি হায়না এ এল এস আই এ এস ট্রেনিং সেন্টরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এ এল এস আই এ এস ট্রেনিং সেন্টর অমদি দাইরেক্টোরেট ওফ হায়র এদুকেসন্না পুন্না খূৎশম্নদুনা চৎথগদৌরিবা কোচিং অসিদা লুপা ক্রোর অমগা লাক্ষ ২০ ফাওবগী চাং ওইগদবা স্কোলারসিপকী খুদোংচাবশিং ফংহল্লি হায়না এ এল এস আই এ এস ট্রেনিং সেন্টরগী ওপরেসন হেদ পিচমুন জিমিক্লা ফোঙদোরক্লি।

চীংমৈরোং খোংনাং অনী কারক্তা লৈবা সেন্টর অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমমদা পিচমুন জিমিক্লা হায়, ইম্ফাল, চুডাচান্দপুর, কাংপোকপী, সেনাপতি অমদি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ততা একজাম সেন্টর থমদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা সেলেক্সন একজামিনেসন অসিগী ফোর্ম থা অসিগী তাং ৫দগী থাবা হৌখ্রে। থা অসিগী ২৫দা রেজিষ্ট্রেসনগী অরোইবা নুমিৎ ওইগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, সেলেক্সন একজামিনেসন অসিগী রিজল্ট লাক্কদৌরিবা নবেম্বরগী তাং ৭তা লাওথোক্লবা মতুং নবেম্বর ২৩দগী কোচিং চত্থবা হৌগনি। সেলেক্সন একজামিনেসন অসিদা অহানবা রেঙ্কতগী ২০০ ফাওবদা লাকপা এস্পিরেন্টশিং ওইনা এ এল এস আই এ এসকী মায়কৈদগী চাদা ৭৫গী স্কোলারসিপ, রেঙ্ক ২৫১দগী ৩০০ ফাওবদা চাদা ৬০ অমদি রেঙ্ক ৩০১দগী ৪০০ ফাওবনা চাদা ৫০গী স্কোলারসিপকী খুদোংচাবশিং এ এল এস আই এ এস সেন্টরগী মায়কৈদগী পীগনি হায়রি।

# চছাদতা নোংমৈ কাপ্পবদা কুকি ১ ...

লমায় ১গী মখা...বঙ্কর শানবা থৌরাংলকখিবনি।

চছাদকী খুঞ্জাশিং অদুনা মফম অদুদা বঙ্কর শানবা থৌরাংলকপা উনরকপদগী কামজোংগী খুল ঙাকপশিংসু মীকুপ নাহুম শিংনা লৈনখি। অদুবু চাউরাক্লা নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ২.৩০ রোম তারকপা অদুৱাইদা চছাদতা লৈবা কুকিশিংনা নোংমৈ কাপ্পা হৌরকপদগী কামজোংদা লৈবা নাগাশিংনসু খুৎ হল্লকপদগী নাকল অনিগী মরক্তা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি ঙসি নুমীৎয়ুংবা মতুংদা চছাদতা থোকখিবা নাকল অনিগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক থোকফম মনাক নক্লা পুলিস ষ্টেসন লৈ। পুলিস ষ্টেসন অসিদা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী এস পিগী ওফিসসু লৈ। পুলিস ষ্টেসন অসিদগী চাউরাক্লা কিলোমিটর ১ রোম চৎলগা কামজোংগী অসাম রাইফলসকী কেম্প অমসুং লৈ। লোয়ননা আই আর বি অমসুং বি এস এফকী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংসু লৈ। অদুবু খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না পুলিস অমদি সেক্যুরিটি ফোর্সশিং মতিক চানা লৈরবসু খুল অনিগী মরক্তা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্পরকখিবা থৌদোক অদু থিংবদি ঙমখিদে হায়রি।

# ইরাং থোক্লিবা চীংগী লম অসিসু মণিপুর...

লমায় ১গী মখা... নাইদবা ফিভম অমা ওইহন্নবা কন্না শিল্লিবনি। চীংগী লমসু মণিপুরনি। মণিপুর মচেৎ নুংশিবা তোল্লুসি। হৌজিক কাংলুপ অমগী মথক্তা লান দাহল্লম্বা ফোরেইন এগ্রেসনশিংনা অতোপ্পা চীংগী কাংলুপ অমদা অমুক লান্দাহল্লি। মসিগী মহৈ ওইনা মীতৈ অমসুং হান্না লৈমিন্নরম্বা অচুম্বা ৱা ঙাংবা ঙমদ্রবা কুকি অনিগী মরক্তা ইথনিক লাইন অমা শেমহন্নবা হোৎনরি। মসিগী মতুং নাগা অমসুং কুকি অনিগী মরক্তা থোকপা লান হেন্না হেন্না কনখৎনবা হোৎনরি। মসিসু মমৈথংদা নাগা অমসুং কুকিগী ইথনিক লান কনখৎনবা থৌরাংলি। চিন কুকিগী কা হেল্লবা মিলিটেন্টশিংনা চথুরিবা এগ্রেসন অসিদা সেন্তর অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা খাম্বা ঙমদ্রবা, উপাই লৈত্রবা অমগুম অনৌবা সেক্যুরিটি ফোর্স কম্পেনি ৩ অমুক্কসু কৌশিন্নবা শেম শারি। তমথিরবা প্রোক্সি ৱার অসিনা মণিপুরদা লৈরম্বা পোপুলর লৈঙাক অমা থুপচিল্লগা পিআর চহী ১ হেন্না থমখি। মসিদসু হান্নদগী হেন্না ইরাং কনখি। মসিগী মতুং কন্সটিট্যুস্নেল ক্রাইসিস থোক্তনবা ফোরেইন এগ্রেসনশিংগী ইন্তরেষ্টতা শেম্বা মানবা মণিপুর লৈঙাক অমা লৈহল্লি। মসিদদি খ্বাইদগী তমথিবা শক্লোনগী লান অমা ঙসি থেংনরিবনি।

তমথিরবা ইরাং অসিবু থোকহল্লিবা, কাংলুপ অনিগী মথক্তা লাল তাহল্লিবা কা হেল্লবা মিলিটেন্টশিংনা লৈঙাক অসিনা লোগী ওইবা চৈরাক ফংহনবগী মহুৎতা অফবা থবক অমা পাঙথোকপগী রিৱার্দ পীবগুম ঙসি ফাওবা ফ্রি থাদুনা থল্লি হায়রি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা ঙসিদি মণিপুর লৈঙাক অসিনা লৈবাক অসিদা করিমত্তা থোক্তবগুম সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোল্লবা শেম শারি। হৌজিক খরা হেন্না অৱাবা নংলিবসি য়েলহৌমী ওইরিবা কাংবুনি। য়েলহৌমীগী লম অমসুং মীয়াম ঙাক শেনবা ঙমদবগী ফিভম অমা ফাওবা লাক্লিবনি। ফিভম অসিদা য়েলহৌমীশিং ফেষ্টিভেল অসিদা শরুক য়াফম থোক্লিবরা। হৌজিক ঐখোয়গী আইদিপিশিং মশা মশাগী য়ুমদা চঙবা ঙম্লব্রা। চীংদা হৌজিক মী হাৎতোক্লগা মঙক বল্লগা অশিবা হকচাং কয়া লৌদনা মোর্গতা লৈরিবনি। লৈরিবা লৈঙাক অসিনা কন্দেম তৌবদগী হেন্না করিমত্তা তৌদনা খাঙদুনা লৈরি। মখুৎ চল্লবা নুপী য়াওনা মীওই ৩৪ রোম হাৎতোকখিবগী অশিবা মশা অমদি শরূ ফাওবা ফংবা ঙমদ্রি। চীংদা মীকপ মীরাওখোল অদুগা তম্পাক্তনা হরাও মথোই কাদুনা লৈরে হায়বদু থোকহল্লোইসি।

# নেমচা কিপগেননা মহাক্কী মপুরোইবদা নাগা...

লমায় ১গী মখা...

অমসুং তম্পাক অনীমক্তা ঈশিং ঈফুৎনা ঐখোয়গী লাইফলাইন ওইরিবনি। মসিদগী ফংবা ঈশিংনা নোংমগী হীংবদা চঙবা থবকশিংগী শীজিন্নরি। অদুবু মীওইবনা থোকহনবা অমসুং মহৌশাগী খলদা অহোংবা লাকপদগী ঈফুৎ থোকফমশিং ফিভম শোকচিল্লক্লে। মসিদা ঐখোয়না ঈশিংগী মরু ওইনা অমদি ঈফুৎকী মরু ওইবা মমুৎ তানা খঙদবা য়াদবা ওইরে। ঈফুৎ থোকফমগী মফমশিং নীংথিজনা ঙাক শেনবা য়ান্না তঙাইফদে। মসিদা খুঙ্গংশিংদা মহৌশাদগী চথরক্লবা পথাপ অদুগা লোয়ননা চীংদা লৈবা খুলশিংদা মায়োক্লরিবা ঈশিং ৱাৎপা অসিদা পায়খৎপা মথৌ তাই। ঈশিংগী সোর্ছ ওইরম্বা মফমশিং ফিভম শোকচিল্লকপা থেঙনরে।

নোং চুবগী মতমদা লাক্লিবা অহোংবা, নোং কুইনা তাদবা, হান্না তারম্বা চাংদগী হেন্না খঙতা তাবা, উমং কোকথোকপা অসিনচিংবা কয়ানা ফিভম অসি শোকহল্লক্লবগী মরম ওইহল্লি। মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট খরদা চীং লোইনমক মরু কোক্লে, উ পাম্বীশিং য়ান্থৎলগা পোপি থানবা শেল্লগা লৈরে, মসি লাইবক থীবনি। লম মুন্নবগী খৎনবা কান্নদে, ঈশিংনা মরুনি, নোংমৈ মরুদি লৈবা য়াই, ঈশিংদি শেম্বা ঙল্লোই হায়বা ৱাফম থমখি।

অমরোমদা, পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর লোসি দিখোনা হায়, কামজোংদা থোক্লিবা থৌদোক্তা এম এল এল লৈসিয়োনা চৎলগা য়েংশিনবা অফবা খোঙথাংনি। এ আরনা তৌফম থোকপা থবক পায়খৎতে হায়বা অদু য়েংশিল্লি। বোর্দর লান্না কামজোং দিষ্ট্রিক্টতা চঙলকপশিংগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎনবা গভর্ণমেন্ট অসিনা হোৎনরি। কুকিগী লুপ খরনা দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন ইম্ফালদা ওফিস ওইনা ফল্লগা থবক তৌনবা হায়বা অসি য়ান্না ফাবা খোঙথাংনি। অদুবু মহাক্কী মপুরোইবদা হায়রগা নাগা মীচম হাৎপা লেপহল্লু হায়বা ৱাফম থমখি।

# লৈবাক কন্নবগী থৌদাংদা মীয়ামগী থাজবা ...

লমায় ১গী মখা...

কৈশামথোং এ সিদা মীরেপ ওইনবা শেম শারিবা মহেশ্বর থৌনাওজমগী কৈশাম্পাৎ অহৈবম লৈরক্তা ঙসি এ সি অসিদগী মহাকপু শৌগৎপা নুপী নহা, অহল–লমনশিংনা লাক্তুনা মহাক্কী য়ুমদা পাঙথোকখিবা মীয়াম তিনবা মীফমদা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। মীয়ামগী সপোর্ট অমসুং ৱারেপ অদু তারবা মতুংদা মহেশ্বরনসু মীয়ামগী অপাম্বা থবকশিং অমত্তা হিক্তোক্তনা এ সি অসিগী চাওখৎপা অফবা এ সি অমা ওইহনবতা নত্তনা মণিপুরগী শক্তম অমসুং ঙমখৈ ঙাক্তুনা য়েলহৌমীশিংগী য়াইফনবা থবক থৌরমশিংদা থৱায় ফাওবা পামুদনা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

ঙসিগী মীয়াম তিনবা মীফম অদুদা মহেশ্বর থৌনাওজমনা হায়, মণিপুর অসি তোঙান–তোঙানবা হীরম কয়াদা ইন্দিয়াগী মীংচৎ কয়া পুরকপা ঙম্বা সনালৈবাকনি। অদুবু হৌজিক সনালৈবাক অসি অৱাবগী ঙমখৈদা খম থেংদুনা লৈরে। তোঙান–তোঙানবা ফুরুপ জাতি কয়ানা অমত্তা ওইনা খুন্দাদুনা মিনি ইন্দিয়ানি হায়না খঙনরিবা মণিপুর অসিদা মপান্দগী চঙশিল্লকপা মীতোপ মীয়ানচা কয়ানা লাঙ্গোই চনখিদুনা ঙসিদি পূন্নমক অৱাফদা তাবনি। কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী হৌরকখিবা ইরাং অসিনা ঙসিদি মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং মীকপ থোকহল্লবনি। মতম অদুদা ইরাং অসি থোক্লমদবা তারবদি চহী খরগী মনুংদা মণিপুরগী য়েলহৌমী খূদিংমক্কী খোঙ্গুল মাঙখিবা য়াবগী অকিবা অদু লৈরম্বনি। ইরাং অসিনা মরম ওইরগা মীয়াম পূম্বা ৱামিন্নরবসু মদুনা তুং লমচৎতা য়েলহৌ ফুরুপশিংদা ওইরক্কদবা অকিবা ফিভম অদুগী খরা মখৈদি ঙাকথোকপা ঙমহৌরে হায়খি।

মহাক্না হায়, কৈশামথোং এ সি অসি মণিপুরগী সহর ময়াইদা লৈবা এ সি অমনি। এ সি অসি মপানদগী য়েংবদা ফজবা অরং–অরাকনা থনবা ওইনা উরবসু মনুংদা চঙশিল্লুবা মতমদা অৱাবগী ৱারবা ইমুং কয়া থেংনবা ঙল্লে। মখোয়গুম্বা ইমুং কয়া অসি শাংলবা চহী অসি হুন্দোক্লগা থম্বা হায়বসি খ্বাইদগী লাইবক থীবা অমনি। বজার ময়োল মক্তদা লৈবা মীয়ান্না অসিগুম্বা অৱাবা মায়োক্লরমগনি হায়বসি মঙদা ফাওবা ঙমলুদে। মমাঙদা পাঙথোকখিবা জেনরেল ইলেক্সনদা হন্দক ভোট খজিক্তং দা মায়থীহৈই। মদুমক এ সি অসিগী মনুং হঞ্জিনবা ইমুং শিংবু ময়েক শেংনা খঙখো হায়দুনা ঈশ্বরনা শীল্লকপা থৌশিলনি হায়না লৌই। হৌজিক্তি এ সি অসিগী কাচিন কোয়া শীনবা থুংনা খঙবা উবা ঙল্লে। মীয়ান্না থেংনরিবা অৱাবা পূম্বা কমদৌনা কোকহনসিগে হায়বা ৱাখলদা লেপ্তুনা হোৎনদুনা লাক্লি। পূন্নমক অসি মেনখৎনবা হোৎনবদা লাক্কদৌরিবা মীখল অসি মায় পাক্ত্রবদি তৌনিংলিবা খূদিংমক তৌবা ঙল্লোইদৌরি। মসিমক্কী য়েংলগা মহাক মীখল অসি থেঙনগদৌরিবনি হায়খি।

# বোম থমজিল্লম্বগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৭ (এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাংখৈ কোন্সম লৈকাইদা লৈবা ডা. শগোলেশেম পোইরৈতোনগী য়ূমদা হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা বোম থমজিল্লম্বগী থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি এন জি কোলেজদা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

কোলেজ অসিগী ওজা অমদি মহৈরোইশিংনা চথখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়ারদুনা ডা. শগোলশেম পোইরৈতোননা হায়, কোলেজ অসিগী য়াইফনবগীদমক থবক তৌরিবা অসিদা বোম থমজিন্দুনা অকি অখং পীবগী থৌদোক অসি য়ান্না লাইবক থিবনি। করিগুম্বা নুংঙাইনদবা লৈরবসু উনদুনা ৱারী শানসি। তৌরিবা থবক অসি লনাইগী ওইবা থবক নত্তে। কোলেজ অসিগী মহৈরোই অমদি পূন্নমক্কী য়াইফনবনি। য়ূমদা বোম থমজিন্দুনা অকি অখং পীবগী থৌদোক অসি মতুংদা অমুক হন্না তৌবীগনু হায়খি।

ডা. পোইরৈতোন হৌজিক হৌজিক এন জি কোলেজগী কম্প্যুটর সাইন্স দিপার্টমেন্টকী এসোসিয়েট প্রোফেসর ওইনা লৈবনি। বোম অদু ঙরাং নুমিদাং পুং ৬ লোম তাবদা থেংনরকখিবনি। মতুংদা পুলিসতা পাউ পীদুনা পুলিসকী টিম অমা লাক্তুনা বোম অদু লৌখৎখ্রে হায়রি।

# লৈবাক্কী অরুবা ৱাফম কাম্থোক্লগা মীখলগী...

লমায় ১গী মখা...

য়াওনা তমথিরবা থৌওং কয়া লমদম অসিদা লেপ্তুনা চথরক্লি। লমহেন তুহেনবশিংনা য়েলহৌমীশিংগী মথক্তা তমথিরবা থৌওং কয়া চথরক্লবা ফাওবা ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা ৱাহৈ অমা ফাওবা কাঙথোক্তবা মখে তুমিন্না লৈশিল্লি। অসিগুম্বা ফিভম অসি য়ৌরকপনা অশিবতনা মরানাই তাদুনা তোকপগী মমি তারক্লি। চীংগী লমশিংদা খূৎলায় পায়বশিং লৈঙাক্লা ফ্রী থাদুনা মীচম মীয়ামগী য়ুম মৈ থাবা য়াওনা কা হেনবা থৌওং কয়া লেপ্তুনা চথরক্লি। অদুবু অসিগুম্বা ফিভম কয়া অসি লাক্লবা ফাওবা মণিপুরদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিং অসি নাথৈরগা মীয়াম্বু মায়কৈ অমদা পুনবা হোৎনরক্লিবা অসিদগী ঐখোয় পূন্নমক্লা চেকশিনহৌবগী তঙাইফদবা লৈ। বি জে পি অমদি কোংগ্রেস মুক্লবনা তঙদু লৈতাবা লৈত্রবা মণিপুর খূন্নাই মীয়ামগী অপাম্বা নাথৈদুনা পুনবা হোৎনরোইদবনি। লমদম অসিগী তুংগী মীরোলগীদমক অচেৎপা ফিরেপ অমা লৌমিন্নহৌবা মথৌ তাই। মীখলদা মায় ওনশিনদুনা মায় পাক্লবগীদমক মীয়াম্বু লান্না লমজিংন্নবা হোৎনরক্লিবা অসিদগী ঐখোয় পূন্না চেকশিনমিন্নদুনা ৱাখল খন্থমিন্নবা চঙই। মীখলদা ঙাওবগী মহুৎতা ইরাং লোইশিন্নবা অমদি কুকি খূৎলায় পায়বশিংগা চৎনরিবা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সূ) লৌথোক্লবা য়াওনা চীং–তম অনীমক্কী মীয়ান্না অমত্তা ওইনা খোল্লাওদুনা খোঙজং চঙশিনবা মথৌ তাই। মরম অদুনা থা অসিগী ২৩গী নুমিদাং পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা চীং–তম অনীমক্কী মীয়ান্না মান্নবা খোল্লাও লাওদুনা খোঙজং চঙশিনসি। ইনিদয়া লৈঙাক্লা দিভাইদ এন্দ রুল তৌবা খূদক্তা লেপকদবনি, কুকি ফোরেন্নরশিংগা তৌনরিবা সূ খূদক্তা হন্দোক্কদবনি, মণিপুরদা এন আর সি অপদেট তৌদনা ইলেক্সন তৌবা য়ারোই, আই দি পিশিং ময়ুমদা হঞ্জিলহনগদবনি, পীক্লিবা অঙাংদগী চীংনা হাৎখিবা মীহাৎপশিং ফাদুনা দন্দি পীগদবনি, কুকিশিংনা তমথিনা হাৎতোকখ্রবা ফংদ্রিবা মীশিংগী হকচাং পীগদবনি, নো এন আর সি এন ইলেক্সন, চীংদা খূৎলায় পায়বশিং ফ্রীদা থারোইদবনি, মণিপুরদা সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন য়ারোই, ফোরেন্নরশিং মরমদা হলহনখিগদবনি হায়বা খোল্লাওশিং অসি মীয়াম পূন্না লাওমিন্নসি হায়খি।

# অনৌবা ওর্দর থোকপিদুনা সার্ভিস হৌহনবিরো...

লমায় ১গী মখা...

থবক থৌরমশিংবু হেন্না নিংথিনা ঙমহনবিয়ু হায়না থৌনাউজম নেপোলিয়ানগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পাউমীশিংদা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, ওক্তোবর ৫ দা থোকখিবা ওর্দর নম্বর এম কে ভি আই বি–১০১ / ১ /২০২২–টি সি আই টি, সি এন্দ আই–পার্ট (১) গী মতুংইন্না ওর্দর অসিগী সেরিএল নম্বর ৭ দাইরেক্টর কে ভি আই সি ইম্ফালবু মেম্বর অমদি সেরিএল নম্বর ৮ চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর (সি ই ও) এম কে ভি আই বিবুনা মেম্বর সেক্রেটরি ওইনা এপোইন্ট তৌরকপা অসি মণিপুর খাদি এন্দ ভিল্লেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্দ এক্ট ১৯৬৬গী ৱাংমদা ওই। মরম অদুনা মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টনা ওর্দর অসিদা য়াওরিবা সেরিএল নম্বর ৭ অমদি ৮ অসি শেমদোক্তুনা অনৌবা ওর্দর অমা ওইনা থোকপিয়ু।

এম কে ভি আই বি অমদি কে ভি আই সি মরি লৈনবা ইন্সটিট্যুসন ওইরগসু ইন্সটিট্যুসন অনি অসি চপ মান্নবা ষ্টেটুটোরি বোদি অমা নত্তে। কে ভি আই সি হায়বসিনা সেন্ট্রেল ষ্টেটুটোরি ইন্সটিট্যুসন খাদি এন্দ ভিল্লেজ ইন্দষ্ট্রিজ কম্মিসন এক্ট ১৯৫৬গী মখাদা ইষ্টাব্লিষ্ট তৌখিবনি। অদুগা এম কে ভি আই বি অসিনা মণিপুর খাদি এন্দ ভিল্লেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্দ এক্ট ১৯৬৬ কী মনুং চন্না ইষ্টব্লিষ্ট তৌখিবনি। ইন্সটিট্যুসন অনি অসিগী ষ্টেট ষ্টেটুটোরি বোর্দকী তোঙান তোঙানবা থৌদাং লৈ। মরম অদুনা এপোইন্টমেন্ট অসি চৎন কাঙলোনগী ৱাংমদা ওইবনা দিভেলপমেন্টকী থবক থৌরম তৌবদা অকায়বা কয়া ওইরক্কদবা মরন্না শেমদোকপিদুনা অনৌবা ওর্দর অমা থোকপিয়ু হায়রি।

# য়েলহৌ ফুরুপশিং অমত্তা ওইনা লেপ্তুনা ...

লমায় ১গী মখা... মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

অম্পাকো, অমুকো অমদি লিলোং হাওরৈবী কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না খূৎশন্নদুনা পাঙথোকখিবা ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা শোরোকখাইবম সঞ্জয়না হায়, থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা লমদম অসিবু ঙাক্লম্বা ইপা ইপুগী লীল্লমশিং পরিং নাইনা চত্থনবা হোৎনমিন্নসি। হৌজিক সেন্টর লৈঙাক্লা কম্যুনেল কার্দ শান্নদুনা মণিপুরবু শিংকুপ শানা থুগায়রি। ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি ষ্টেট লৈঙাক্লা পুনশিন্দুনা মণিপুরগী ইরাং অসিগী ৱারোইশিন ঙসি ফাওবা পুরক্লবা হোৎনদে। ৱারোইশিন পুরকপগী মহুত্তা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থাদোকপা প্রোক্সি টেরোরিষ্টশিংনা য়েলহৌমীশিংদা মীওৎ মীনৈ লেপ্তনা চথরক্লি। মসিদা ষ্টেট লৈঙাক্লসু করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা পুখৎপা ঙমদে। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পুং খরদা লোয়শিনবা য়াবা মণিপুরগী ইরাং অসি হেন্না শাংথহন্দুনা মিলিটরাইজেসন অমদি দিক্টেক্টরসিপকী থৌওংশিং লেপ্তনা চথরক্লিবা অসি লাইবক থিবনি। কল্লবা শাফুশিং অসি থেংনমিন্নবা লমদম অসিগী য়েলহৌ ফুরুপশিং অমত্তা ওইনা লেপমিন্নবা তঙাইফদে হায়খি।

থৌরমগা মরী লৈননা অম্পাকোগী প্রসিদেন্ট মরাইময়ুম সলামত অলিনা হায়, অপুনবগী শক্তম অমদি অপুনবা মণিপুর অমা শাগৎপদা মণিপুরী অমা ওইনা লৌগদবা থৌদাং খঙমিন্ননবগী অমদি ষ্টেট লৈঙাক্লা য়েলহৌ ফুরুপ ওইনা শকখঙলবা মৈতৈ পাঙলশিংনা অপুনবগী শক্তম শাগৎপদা লৌগদবা থৌদাং খঙমিন্নবগী ৱাখল্লোনদা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। চহীচা কয়াগী মমাঙদগী মণিপুরদা খুন্দা লৈতাদুনা লাক্লবা মৈতৈ পাঙলশিংগী তোপ তোপ্পা চৎনবী, ফিজেৎ চাকশেৎ অমদি য়ুম্লে কৈরৈশিং লৈরি। মণিপুরদা থোকখিবা মীয়ামগী ইহৌশিং অমদি অপুনবগী শক্তম শাগৎনবা হোৎনবদা ফুরুপ অসিনসু থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। মায়কৈ কয়াদগী মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম থুগায়নবা শাফু কয়া পীরক্লিবা অসিদা মৈতৈ পাঙল ফুরুপ্তসু শিংচেপ থারকপগী থবক চথরক্তবা নত্তে। মসিগুম্বা ফিভম অসিদা ইপা ইপুশিংনা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম শাগৎনবা হোৎনরমখিবা লীল্লমশিং অদু তুংগী মীরোলনা খঙহৌনবগী পান্দমদা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

# কাঙলুপকী খেন্নবা থাদোক্লগা ঐখোয় ...

লমায় ১গী মখা... ওইরমখিবনি। মরম অদুনা মণিপুরগী ঙমখৈ ঙাকপা অমদি অপূনবগী শক্তম শাগৎপদা খুন্দামিন্নরিবা কাঙলুপ ফুরুপ পূন্নমক্কী থৌদাং চঙই হায়বসি ঐখোয় খূদিংমক্লা খঙমিন্নবা মথৌ তাই। লমদম অসিদা হিংমিন্নরিবা মীপুম খূদিংমক্লা কাঙলুপ ফুরুপকী খেন্নবা ৱাখল্লোল থাদোক্লগা ঐখোয় মণিপুরিনি হায়বসি খক কাওরোইদবনি। মসিনা অপূনবগী শক্তম শাগৎপদসু হেন্না মথৌ হাপকনি। সেন্টরগী লুচিংবশিংনা মণিপুরদা ইং তপ্পা অমদি তঙদু লৈতাবা হঞ্জিলহল্লক্লবগী থাজবা থমদুনা চীফ মিনিষ্টরগী থৌদাং অসি শীন্নরকখিবনি। মরম অদুনা মসি পূন্নমক ওইথোক্লবা হোৎনবদা শীংজমৈ এ সিগী মীয়ান্নসু অঙম্বা থৌদাং লৌবিয়ু হায়খি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ৱেষ্টকী মীৎয়েং মখাদা মীয়ামদা তোঙান–তোঙানবা খূদোংচাবশিং পীনবগীদমক লৈঙাক্কী লোইশঙশিংগী ষ্টোল কয়াসু হাংদোকখি।

# এম পি বিমোলবু নমফুদা ফাজিন পুনশিন্নবা...

লমায় ১গী মখা...হোৎনবা অমদি এম পি বিমোলবু নমথনবা শীনবদা আর এস এস অমদি বি জে পিনা লৌতুনদুনা থবক অসি চত্থবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। লৈবাক অসিদা লৈরিবা এদুকেসন সিষ্টেমবু মোৎহল্লক্লিবা য়ুনিয়ন এদুকেসন মিনিষ্টর ধরমেন্দ্র প্রধান রিজাইন তৌখ্রবা মতুং হৌজিক পায়রিবা বি জে পি লৈঙাক্ অসিনা অরোনবা হুরান লান্নাদা লৈঙাক শেন্নবা হোৎনদুনা ইলেক্সনদা কাঙলোন কায়না থবক কয়া চত্থরি। মসিদা নত্তনা ইন্দিয়াগী শেল পায়রবা মীওই কয়াবু য়ানবা চত্তুনা ভোট মতমদা বি জে পিদা শেল থাদরক্লবা শীল্লক্লিবা অসিদা কোক্রোচ জনতা পার্টি অমদি ওপোজিসনগী পার্টি কয়ানা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং কয়াবু নাথৈনবা হোৎনদুনা এম পি বিমোলদা মরাল কয়া শীজিন্দুনা মরাল লৈতবা মী অমবু নমদুনা মরাল লৈহন্নবা হোৎনরি।

পার্লিয়ামেন্টতা ৱা ঙাংহন্দনবা হোৎনরক্লিবা থৌওং অসিদা লৈবাক মীয়ান্না য়ানিংদবগী খোঙজং চঙশিল্লক্লিবা অসিদা কোওর্দিনেটিং বোদি ওফ ট্রেদ য়ুনিয়ন মণিপুরনসু মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়খি।

# কাঙলুপ ফুরুপকী ৱাখলনা মাঙ থাদুনা ...

লমায় ১গী মখা... কাঙলুপ ফুরুপশিংগী ফাওনলোল অমা ওইনা উবা হৈগদবনি।

মহাক্না মখ তানা হায়, নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকপদগী মণিপুর মীয়ামগীদমক তোঙান–তোঙানবা য়াইফ থৌরাংগী খোঙথাং কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলক্লি। মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংগীদমক ইন্নর লাইন পার্মিট (আই এল পি) পীরকপা য়াওনা রেলৱেনচিংবগী থবক থৌরম কয়া পায়খৎলক্লি। মসিদা নত্তনা মীয়ামগী খোল্লাও তাদুনা মণিপুরদগী সেন্সস পাঙথোকপগী মতম ফাওবা য়ৈথোক্লক্লিবনি। মসিমক্লা পি এম মোদিনা মণিপুর মীয়ামগীদমক খল্লি, মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বা মায়োন্দা শোয়দনা চৎকনি হায়বসি তাক্লি হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়, লমদম অসিগী চীং–তম অনীমক্কী মীয়াম অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা ইং তপ্পা পুরক্লবা হোৎনসি। নোংমৈ বেরেলনা ইং তপ্পা পুরকখিবা মফম লৈতে। ৱারি শান্দুনা টেবলদা দাইলোগ চত্থবা খক্তনা মালেমগী লাঞ্জাওশিংগী ৱারোইশিন অমসুং ইং তপ্পা পুরকখিবনি হায়বসি নীংশিংমিন্নবা চুম্মী। মরম অদুনা লমদম অসিগী মীপুম খূদিংমক্লা থম্মোয় শেংনা খেন্নবা থমদনা ইং তপ্পা পুরক্লবা থৌদাং লৌমিন্নবা মথৌ তাই। ঐখোয় ঙসি য়ান্না অৱাবা ফিভম অমদা লৈরিবনি হায়বসি কাওথোক্লোইসি। অমনা অমবু থাজবা মাঙলকপা অমদি মীনুংশি চেল্লক্তবনা মণিপুরগী ফিভম অসি ওইরক্লিবনি হায়বা য়াই। লৈঙাক খক্তনা ইং তপ্পা পুরকপা ঙল্লোই। লাইনিং লাইশোন অমদি ফুরুপ কাঙলুপকী খেন্নবা থাদোক্তুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা ঐখোয় অমত্তা ওইনা চুংশিন্নবা মথৌ তাই হায়খি।

আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর খুরাইজম লোকেননা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী এম এল এ খরা, চীফ সেক্রেটরি, এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরি য়াওনা তোঙান–তোঙানবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না থাবুম অমা চুপ্পা চথরকপা সেৱা সংকল্প অভিয়ানগী মনুং চন্না পাঙথোকখিবা তোঙান–তোঙানবা কম্পিটিসনশিংগী এপ্রিসিয়েসন সার্টিফিকেটসু মহৈরোই অমদি ওজাশিংদা লান্থোকখি।

# কৈশামথোং এ সিদা ডা. রোজেস...

লমায় ১গী মখা... থৌমীশিংনা তরান্না ওকপগী থৌরম অমদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি হায়না এম পি পিগী জেনরেল সেক্রেটরি মেদিয়া অরাম্বম করমজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

তরান্না ওকপা অদুগা মরী লৈননা ডা. সেরাম রোজেসনা ফোঙদোকখিবদা রাজ্য সভাগী এম পি অধিকারিময়ুম সরদানা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু লাইনি হায়খিবদু তশেংবদি মহাক লাই নত্তে, মীহাৎপনি। মোদি অমদি অমিত সাহ মণিপুরগী মপা মমা নত্তে। মণিপুরদা মখোয়না তৌনিংবদা তৌবা য়াৱ্রা। ইরমদম মণিপুর অসিদি চহী লিশিং ৫ অসিদা ইপা–ইপুশিংগী ঈখেঙতনা ঙাক্তুনা লাক্লিবনি। ঐখোয়গী থৱায় কৎতুনা মণিপুর ঙাক্কনি। ইন্দিয়াদা বি জে পিগী লৈঙাক অসি লৈবাক অসিগী নহাশিংনা পামদ্রে। ২০২৯দা বি জে পিগী লৈঙাক লাক্লরোই। মরম অদুনা মণিপুরদসু বি জে পি মরু ফংনা মুথৎলসি। বি জে পিবু মরু ফংনা মুথৎনবা হোৎনবদা কৈশামথোং এ সিদগী এম পি পিগী মীরেপ ওইনা থোক্কদৌরিবনি। ফিরেপ অসিদা এম পি পিবু শৌগৎপীদুনা ষ্টেট অসিগী লৈঙাক এম পি পিদা শীন্নবিয়ু। বি জে পি নত্তনা মণিপুর মাঙহল্লিবা অসি কোংগ্রেস পার্টিনসু অচৌবা থৌদাং লৌখি। মরমদি কুকি লালহৌবশিং য়োকখৎনবা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সূ) অসি কোংগ্রেসনা শীল্লম্বা থৌশিলনি। ওক্রম ইবোবিনা সূ লৌথোক্কনি হায়বা কন্দেম তৌগনি হায়খিবা লৈ। হৌজিক অসুক য়ান্না ৱারবা তানফম অসিদা দিল্লি পার্টি হায়বদি কোংগ্রেস নত্রগা বি জে পি, বি জে পি নত্রগা কোংগ্রেস হায়না লৈরবদি মণিপুরদি দিল্লিগী মীনাই ওইদুনা লৈরগনি। এম পি পিদা মীয়ামনা চঙবিরক্তুনা মণিপুর কনবদা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নসি। মণিপুর মীয়ান্না হান্না কোংগ্রেস অমদি বি জে পি নেসনেল পার্টি অনী অসিদা লৈনরিবা মরী অদু হান্না থদৎপা মথৌ তাই। নত্রবদি এম পি পিদা মায় ওনশিনবা ঙল্লোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

# হ্যুমেন ত্রাফিকিং মালেমগী ...

লমায় ১গী মখা...লৈমিন্নরিবা মীয়াম অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা হ্যুমেন ট্রাফিকিং অসি মুথৎপগী তঙাইফদবা লৈ। হ্যুমেন ট্রাফিকিংগী মতাংদা অসুন্না খন্ন–নৈনবগী কনফরেন্স পাঙথোকপা অসি য়ান্না মরু ওই হায়খি।

কনফরেন্স অদুগী টেক্নিকেল সেসনদা ভিক্টিম সেন্ট্রিক্ট এপ্রোচ ইন হ্যুমেন ট্রাফিকিং হায়বা হীরমদা প্রাজৱাগী কো ফাউন্দর ডা সুনিতা কৃষ্ণননা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা হায় কোর্টকী জজ জষ্টিশ এ বিমোল, জষ্টিশ এ গুনেশ্বর শর্ম্মা অমদি মণিপুর জুদিসিয়েল একাদেমিগী রিটয়র্দ দাইরেক্তর জষ্টিশ গোলমৈ গাইফুনসিলুসু মরুওইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# আর কে বিদুরগী মপোক ...

লমায় ১গী মখা... ইকায় খুন্নবা উৎখি। থৌরম অদুদা মণিপুর ফিল্ম জর্নেলিষ্ট এন্দ ক্রিটিক এসোসিয়েসনগী হান্নগী প্রসিদেন্ট মনিন্দ্র কোন্সম, এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট এ সি নেত্রজিৎ, জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিগী হান্নগী দিরেক্টর এল ওপেন্দ্রো, দি আই পি আরগী হান্নগী দিরেক্টর মেঘচন্দ্র কোংবম য়াওনা মশক নাইরবা ক্রিটিক্স কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মেঘচন্দ্র কোংবমনা আর কে বিদুরনা ফিল্ম ক্রিটিক্স অমা ওইনা মণিপুর ফিল্মগীদমক লৌরম্বা থৌদাংশিং পল্লদুনা মীয়ামদা মরু ওইবা ৱাফম কয়া থমখি।

# মণিপুর পুলিসকী ত্রাফিক...

লমায় ১গী মখা... অদুগী মতুং ইন্না ওক্তোবর ১৮গী অয়ুক পুং ৫দগী থৌরাং অদু লোইদ্রিবা ফাওবা কংলাগী নোংচুপ থংবা গেটতগী এল আই সি ক্রোসিং ফাওবগী নোংপোক থংবা লম্বী, এল আই সি ক্রোসিংদগী নোর্থ এ ও সি ফাওবগী লম্বীগী মখা থংবা শরুক অমসুং নোর্থ এ ও সিদগী নিলকুথি ফাওবগী লম্বীগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা চথোক চৎশিন তৌবদা অথিংবা লৈগনি হায়রি।

ত্রাফিক্কী ফিভম য়েংলগা খুয়াথোং–এল আই সি ক্রোসিং, মিনুথোং, খোংনাং অনী কারক অমসুং কোইরেঙ্গৈগী লম্বীশিং থৈদোক থৈজিন তৌগদৌরি।

মরাথোন অসিদা শরুক য়াগদৌবা রন্নরশিংগী গাড়ীশিং জোনস্টোন স্কুলগী নোংচুপ থংবা শরুক, এম পি পি ক্রোসিংদগী আর কে কুক হাউস ফাওবা অমসুং পোলো গ্রাউন গেলরিগী মমাঙদা থাগনি। ওফিসিয়েলশিংগী ওইনা কংলা ৱেষ্টর্ন গেট মখা থংবা শরুক্তা কংলা পার্ককী পরিংদা গাড়ী থাগনি। সেক্যুরিটি অমসুং স্পোর্টশিংগী ওইনা জি এম হোল মমাঙ, ইন্দিরা পার্ক অমসুং ও এসেমব্লি রোদকী পারিংদা থাগদবনি হায়রি।

# ডা. এল ফাওমৈনা কনভেনরগী...

লমায় ১গী মখা... ২০২৮কী এপ্রিল ফাওবা থৌ পুরগনি হায়না এন পি সি এমগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা এন পি সি এমগী কনভেনর ওইরম্বা অসাং কসারনা নৌনা কনভেনর ওইনা থৌ পুরগদবা ডা. এল ফাওমৈদা চার্জ শীন্নখ্রে।

থৌরম অদুদা এন পি সি এমগী নৌনা কনভেনর ওইরবা ডা. এল ফাওমৈনা হায়, মৈতৈ অমদি নাগা ফুরুপকী অৱা নুংঙাইগী ওইবা ইসু খূদিংমক্তা অমত্তা ওইনা থবক তৌমিন্নবগী ৱাখল্লোনদা এন পি সি এম শাফোঙলকখিবনি। মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা এম পি বিমোলগী মতাংদা বি জে পি অমদি কোংগ্রেসনা চত্থনরিবা থৌওংশিং লাইবক থিবনি। পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইনা মণিপুর মীয়ামগী য়াইফগদবা থবক থৌরমশিংদা হেন্না মীৎয়েং চঙবনা মীয়ামগী অপাম্বা ওইগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা হান্নগী এন পি সি এমগী কনভেনর অসাং কসারনা হায়, কুমজা ২০২৭দা পাঙথোক্লবা য়ানা লৈরিবা এসেমব্লি মীখলদা মীরেপ ওইনা থেংনদুনা মীয়ামগী ইসু কয়াদা হেন্না থবক তৌনবগী ৱাখল্লোনদা কনভেনরগী ফম অসি থাদোকপনি। অদুবু মণিপুর মীয়ামগীদমক এন পি সি এমগী থবক থৌরমশিংদা অঙম্বা মতেং পাঙগনি হায়খি।

# চছাদতা খুদক্তা সেক্যুরিটি ...

লমায় ১গী মখা...মীওই শিবা অমদি অশোক–অপন য়াওবগী থৌদোক থোকপগী চাং ৱাংখৎলকখ্রে।

মরম অদুনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী চছাদ খুলদা মাইনোরিটি ওইনা লৈরিবা কুকি জোগী কম্যুনিটিশিং ঙাকপী শেনবিনবগীদমক অথুবা মতমদা সেক্যুরিটি দিপ্লোয় তৌবিয়ু। লোয়ননা উখ্রুল, কামজোং, নোনে অমদি টামৈগী লেজি সলেটেরশিংনসু মখোয়–মখোয়গী খূৎলায় পায়বা মিলিটেন্টশিং কন্ট্রোল তৌবিয়ু হায়রি। এন এস সি এন– আই এম অমদি ম্যান্মারদা বেজ তৌবা নাগা ইষ্টর্ন ফ্রেঙ্কনা কুকিশিংদা চাউনা অকি–অখঙ পিবগী থবকসু চথরে হায়নসু কোটুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# সেক্যুরিটি ফোর্সনশিংনা য়াল্লবা...

লমায় ১গী মখা...

অপোকপা পুসন কুটুপ অল্লি কৌই। অদুগা অতোপ্পা অমনা থৌবালগী ইরোং ইচিল খুল্লাকপমদা লৈবা আর্সদ আলম (২৫) অপোকপা এম দি তোলেন খান কৌই। মখোয় অনীদিগী ব্রাউন্দ সুগরনি চীংনবা সোপ কেস ৭তা হাপ্লকপা গ্রাম ৯১ রোমগী পোৎলমশিং ফংখিবনি। মখোয় অনীদগী আই ২০ ফোর হ্বিল্লর অমসু ফাগৎপা ঙমখ্রে। মখোয় অনীদা ৱাহং পাউহং চথুরবদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক লল্লোল ইতিক তৌবদা পূন্না থবক তৌমিন্নবা মীওই অনী অমসু অসামদগী ফাবা ঙমখ্রে। মীওই অনী অদুদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী চেসোবা ময়াই লৈকাইদগী রাহিস খান (২২) অপোকপা অব্দুল সমাদ অমদি এম দি ৱারিস খান (২৫) অপোকপা এম দি সরাফদ অল্লি কৌই হায়রি।

নাকল অমরোমদা, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, এফ / ১৪২ সি আর পি এফ অমদি বি/ ১০৯ সি আর পি এফকা পূন্না সেনাপতি পি এসকী মনুং চন্না লৈবা খোঙনেম থানা ভিল্লেজদা থীবা হুম্বগী থবক চত্থবা ময়াই কাবা চিঙ্গাক পূরম্বা তুংজোয় পি এসকী মনুং চন্না লাই ভিল্লেজদগী টর্সস (৩১) অপোকপা ঙাওপুনি অমদি সরাহা (৪০) অপোকপী দহরি ফাবা ঙমখ্রে। মখোয় অনীদগী চাওরাক্লা গ্রাম ৮০৪ রোম ওইরমগদবা ব্রাউন্দ সুগর সোপ কেস ৪৫ রোম ফংবা ঙমখ্রে। মখোয় অনীনা তোংলকপা স্কোপিও অমসু ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়রি।

